থারোন

এন, ইবোচোবা

মণিপুর শিক্ষা বিভাগকী মতেংনা কোংজবা

থারোন

এন, ইবোচোবা

থোংজবা—

শ্রীএন, ইবোচৌবা

হাওবম মরম, ইরোম লৈকাই, ইম্ফাল।

অহানবা নম্বা—

আগষ্ট—১৯৮২

কোপী মশিং—১০০০

হক পুম্বা কনবা

মমল লুপা ১০·০০

নম্ফম—

নোঙ্গাইরেমা প্রিন্টিং ৱার্ক্স হাওবম মরক, ইরোম লৈকাই

ৱাহয় থরদং

করিগুম্বা জাতি অমগী মশক তাকপদা সাহিত্যনা অচৌবা থৌদাং লৌই হায়বসি পৃথিবীগী মী পুম্নমক্না য়াৎনরবনি। অসিগুম্বা সাহিত্যগী ৱাফমদদা নত্তনা ফজবা নিঙথিবা পূক্নিং শুম্লাংনরিবা ৱাফমগী মরমদা অলঙ্কারগী মতেংনা নিঙথিবা ফজবা অতুগী শক্তম্বু ময়েক শেংনা থঙলি। শন্নপা হায়রবদা লৈতেংবু য়াও-দ্রবদি পোৎ-চৈ নুপী অডাং য়ুম-কৈ পুম্নমক অসি লৈতেংগী মখা পোনবনি হায়না লৌবা য়াই। মরম অসিনা সাহিত্যদসু মাগী মথল কয়াগী মরক্তা কাব্যগী শৈরেংগী লৈরিবা শককশি অসিদা লৈতেং অতু য়াওরমদ্রবদি শব্দা উমন্তনা কূপ্পবা য়ঙ্গলবা অমগী শক্তম ওইনা উরক্লবদা মী অতুবু মপান্থোংগী ওইবা ফজবা শক্তমতু ওইনা উরে হায়না লৌনরোই। অতুন সাহিত্যগী লৈরিবা শৈরেং অমসুং কাব্যশিং অসিদ অলঙ্কারমা থবায়নি হায়না লৌনৈ। অসিগুম্বা সাহিত্যদা অলঙ্কারনা থবায়নি হায়বগী খুৎই অসি মৈতৈ ইপা ইপুশিংনা থায়নদগী হৌনা মখোয়গী খুথা খুদিংদা অলঙ্কারনা কুয়োম ওইতুনা ঙল্লিতৈদগী শীজিন্নরক্লে হায়বসি লাইরিক মচা অসিগী লামায় খুদিং উবা ফংই। লাইরিক অসি মৈতৈ পুয়াশিংগী মনুংদা থা ১২ অসিগী মওং মতৌ, থা থা অদুদা ওইরিবা মহৌশা লাইরেন্থৌগী মতিক শৈথাবদা থোইদোক্না অলঙ্কারগী শক্তম্মা কুয়োম ওইরগা করম্না মিংথোল্লকপগে হায়বগী শৈথারোলগী লাইরিক্নি।

থুদম ওইনা মতক অমতং লৌখৎলদে. :—

' লাইদাম থাবি লমতা থা নমথায় থাবি লমতা থা।
কুম্মী চৈহৌ থা লোইদাম কুমজিল লল অঙনবন।
শিঙলেন লৈশাং হৌরকপা নমু পোং ওইবা পূন্নমানা
চরি মক। ফোং মানলৌ মীমাঙ তাক্লা কোংলৌ লমথৈবা
সাবল লমথোকপা ৱাইচৈ চৎনাতানা থুবাক তাবুলফু
চগোই লেপলৌ শা খাইয়ম লাইমিংশক
উগ্রী মালেম লৈরোইশৈ চীংথোং নামিয়োক
চকমোম খাম্বী মৈরা থানগুম কুম্ম লতেং চৈহৌথা।"

মতৌ অসুম্না থা খুদিংগী ওইরিবা মহৌশাগী শক্তম্ মৈতৈ জাতিগী লৈরবা সাহিত্যগী অলঙ্কারনা কুয়োম ওইবা মৈতৈগী থারোল থোইদোক্লা শীংথানিঙাই ওইবা লাইরিক্কি। লাইরিক অসিবু মৈতৈগী সাহিত্যগী পুক্কদা চনশিলহনবা পামজবদগী মাজকবনি। শৌরম অসিদা ছাপা নম্বগী অরাবা পোৎলুম অসি মণিপুর সংশারগী মচৈ লোয়শঙগী বিভাগনা শেলগী মতেং পীবিদগী ঙমখিবনি। অসদা নত্তনা ৱাহৈ অরিবগী লোন্দা পুদগী মতাংদা ইয়াম্বা শ্রীও, ভোগেশ্বরগী মতেং য়াম্না ফংজখি লোয়নন নোঙ্গরৈমা প্রেসকী মেনেজরনচিংবা প্রেসকী ৱার্করশিংগী অচৌবা মতেং য়াম্না ফংজখি। পুরমকী মফমদা পুন্সিগী ওইবা অচৌবা লম্মন তোনশিঙ্ক। লোয়ননা মথোয়গী মফমদা পাংথবা ঐগী তৌবিমল খঙবা উচ্চরি।

শ্রীএন, ইবোচৌবা

খারোম

'ভাউসেবনা পুকংমজবা'

[illegible] ইনিং খা [illegible] য়াইবিরেন সিদবা [illegible] কোরো [illegible] ওইবা [illegible] মাইকবা [illegible] য়াইবি[illegible] সি[illegible], [illegible] নিঙনা [illegible], থবা কোনৌ [illegible] য়াইমক অঙি [illegible] থায়বিরা, [illegible] পুম[illegible] মবু সানশেমলিনা খোইযম [illegible] ।

১। [illegible]

২। [illegible]

৩। [illegible]

৪। [illegible]

৫। [illegible] পুম্নমক্কী [illegible] ওইবা [illegible] ।

ঝোইবু খোইমোম না ইরেম্মা, মালেম কাপতু তুইরেন ঝাই-মক, চীংভু, যাইবী যেনজোগী, [১]খোইবা লিনধু মপ নগী, [২]হুই-রেন পাফন যাইমন, [৩]ঝাইবী শিঙ্খেনবকনা লাইদাম কুশ্বী বা-কাউদনা [৪]থাজা বারেং বানিং দল মালেম মপ্ কারকপী যোইবু খোইমোম লাইবপী নঙবু খুংফা চাংজো তবামানা চেপ্পা লোনজা মালেম [illegible] লাগ পাযনা [illegible]। চীংচু, নতিক অকনা লাইজা ইবেন প্ গুঞ্জদি হায়ঙমলোয়এ। তৌঘ-শুম খোইমোম নচনা লোইদাম মঙুং এই, বুমবী ময়াই কাবক লবগী লোয়দাম থা তনানিখোয়মাগী কোলোয় মমি খোং অক বাবু থাইযম থোজানগী খজি জা [illegible]।

লোইদাম থাঙ্ক পাথ বা [৫]কুজ [illegible] মত্তে তাটিতুইরে [৬][illegible] ঝাইবিরেন সনবা ঝাবা থানি [illegible] ইঙন

১। [illegible]
   [illegible]

২। [illegible]
   [illegible]

৩। [illegible]
   [illegible]

৪। [illegible]

৫। থাজ মানা খোবপনা [illegible]
   [illegible] পাইজুনা (চজুনা) [illegible]।

৬। [illegible]
   [illegible]

য়াইনা হুইড্রুগুম মপোপ চাউ, তিঙ্জোই মনা লেপনয়াই, থবায় নিংসা হোনলিবা অচং অরেপ পুমনমাগী [1]পাঙ্গল তেংবাং য়াইমক থাজ কালোয় মমি থোং তবানি.থাইমদ নমু পোং ওইবা পুমনমক্কী হৌনা মরমচং [2]থবাই য়োচ য়াউ থো ইরাং থোনি পুমনমাবু কুমগী বাপাউদা থাজ থানিলদনা, অসৈ ফমলেনগী তাউরোয় পুঙ লনগী অসে পনমাব খাবা লাংথংবাককা, খাবী থিয়াথো, অমাই শুমদো লাগা খাবা লৈরেন থৈ যোইবেন সঙ নামুংগ খোইমোম ল উদমবু সংলেন তে মাই থিনবা অতমমনা হেবুংথো মিযোক য়াউ, কে বন্ম সান কন্নয়াই থাজ পাখবা ঙুংনাং য়াইবিরেন সিদব নংবু চান্ন ঙল্লা পুকমজংক্কে।

লমতা

লোয়দাম থাজ [3]চকৌথা [4]থাবী লম থাও কৌবদি কদৌনোংগীনো [5]সলেন লৈবম চনাশনা [6]নংলৌ য়েনলম

১। তাইন থবাপানবশিংগী পাঙ্গল পীবিদিবা।

২। থবাপানবশিংগী মতিক মযাই হাপদিবা।

৩। চহী শাগংলনপগী অহানবা মপী চৈশি থাবা হোবগী অহানবা থা।

৪। লোইদাম থাবুম শানিবা, থঙনিবা থা পুম্নমক্কী নপী ওইবা।

৫। মালেমদা শাংলিবা লৈবাং শিংলা চনবা পুম্নমক্কী।

৬। মীওইবনা চান-থক্কনিবা [illegible] মনা-মপী পুম্নমক্কী ক পুম্নমক [illegible]।

চনলিবা মরু পুমনানাও, মালেম লৈদা তারবগী, মালেম লৈপাক মনম সিনা থাবগী দমক থাবি-ও তৌনা কৌএ। মরুসিং থাবিবা পুমনমানা মরা মালেম লয়াংবে পান উনাইগে কায়বগী কয়রাং মরু কাইরব কায়বগীদমক নংথাং-ও তৌনা কৌএ। লোইদাম থাবি লমতাথা নংখাৎ থাবি নমতা থা কুমবী চৈকৌ থা লোই দাম কুমজিন লৈ অচুনবনা শিরেন লৈমাং তাবকপা নমু পোং-থইনা পুম্নমাক চংব মক ফং মানবো মীম চু তাকনা কোংলো [illegible] হৈ [illegible] খুদাক তব, ফু চগোই [illegible] মালেম লৈবে [illegible] থামবী [illegible] থানগ্রা [illegible] কাওয়াচ বানা [illegible] পাখচ [illegible] মানদো চাউ, সমলা মোইরাং [illegible] হেপনি [illegible] ফিবা-থা। পাখং মনবা সমলান থো [illegible] উনগায় তাউ সমলা চগো লৈ, [illegible] কুমদমলৈ লোয়-দাম কুমজিন লৈ অচুনবনা কোকলেন লুফম হেনবা চংথোক-[illegible] থানে। [illegible] চাহি জতা সজিক য়মনো কা তিঙ্গাই

১। লাইরাম [illegible] ২। মালেম [illegible] লোননা ৩। মৈগী মচাশনা [illegible] ৪। মীওইবা হাউ [illegible] ক্ষিতেং-[illegible] ৫। মাশ [illegible] উগী মও দা হ,কপা মত। ৬। কোইরং বানা পুম ক্লা [illegible] হৌরা মতম।

পুমথাং লোননা কাম্বী সোজিন লোন, য়েনলী খুবোম সা, [1]চেক্লা তোনদো য়ুমোইবনা লৈতাং সেক্রা তানা পামেন উহৈ চানা ন্তাউ'নবা থা। হাকুম সীংজা অকংবন, তনলা য়েন্নিং সো, [2]হৈরাও তাইবোম্বানা পামেন উমিং ওই, তাউজিং চুম্বা য়ানবা লোইদাম মনোং ওই, [3]মালেম থিনগায়হৌ চৌংথোং লাকলেন কিসি তাইন থা লোইদাম থাবি লমতা থানে হায়দবরা লাই-রেন তাংগোই য়েইমোংবনা অবাং লাংথবান য়াউরো সচাই লান মোংবা সাথুম পুং, ময়াঙ নহা সরাথেম্বনা য়াউবো সামি কোবা মকুমসাবু মৈনবাই তাংনা শমনা হাউথৈ সাথোম্বা মান্থা লমলোকপা চীংয়াই কোকচাই সা, ফুবা মানথা, সারেন য়াজোই সা, য়াউরো তৈতুসা, লোইচিং লোইয়া সা থাবি নমবোন সাবু সারেন মসিংগুনা হাউথৈ সাথোম থানে হায়দবরা থাজ কো-লোম্ব মমিংথোংদি অসিঙ্গুং মদোমদে।

১। তৌ, শীংনাংনচিংনা অশিকপা মনা শানা হৌবা নাপী মতোন্দা মহুম শাগনবা, লৈবাক্তা মথোঙনা নেৎতুনা চৎপদা হৈনজদবা উচেক মচাশিংনা মহুম শারক্লবা মতম, ২। হৈ পাম্বীদা মপাল শাৎলম্বদগী মহৈ যাল্লকপনা হৈগী হৈজিং ফাবক্লতুনা হৈমায় থন্না মপু, ফাবক্লবা হৈন। জুম জুম লাউনা পাল্লবদা হৈপালত্নগী মমিং ওইনা উনববা মতম, ৩। অকনবা অকংবা লৈবাক অসিবু অনৌবা ময়োলনা থিনগাইতুনা হৌনবকপা মতম।

সজিকু

লোইদাম সজিফোংই থা-ও কৌবদি কদো নোংগীনো। চীংঙ, মপুরেন খোইয়ম নোংদমলিবা লাই মরু সিদবনা [1]মালেম লয়ওইবা [2]কোরৌ নোংওইবা ময়ুবী সিদবগী চীংবেন [3]লাংমেন মাপনমাবু মচী পানফোই খোকলে হায়বগী লোইদাম সজিফোই থা-ও তৌনা কৌ-এ। লোইদাম সজিফোই থা য়াউরৌ সাচি সায়া কেনববু চিরেন অমরক হুনবা থা, কোংবা লৈথোং ফাং সজিফু লৈখুন ফুন মদোম সায়ি লাং, [4]হেপু খুনমাবা লৈমাবা অতোং অরেংবা কুপথন থন ঙানহু-তু ল'ইরেন ঙাংঙোই য়োইমোংবা য়োইচিংলেন তমহৈবা লোইবী চীংকাকলেন, কাক-লেন মীঙমবনু কায়না হুনবা, মোংবা য়িমলাই কৈরাই সাগা তম-হৈবা, -ফমবী খোইমোম লাইরেম্বা হাউদুখু, হাউদুহন, লাই-তোংখু, লাইতোংহনবু লুংনবা লাইয়িংথোগা, খোইয়ম লাইয়িং-থৌ হনবা য়া হিংহান হন, কমবোং খারম পাংপু বাতেম্বা, থাংঙা লাইরম পাংপু বাকম্বা [5]ইরোক অঙুম্বব, থোনথংপা,

---

১। মালেম লৈবাক অসিগী মপু ওইবা, ২। কোবৌ অঙাংবদা লৈবা লাইনা নোংগী খোদা পুহনা লৈরিবা, ৩। লাংবল থাদা হুনথিবা মরু মথল ৯ হায়বদি মী শা, ঙা তিলবি, কাং, উ, বা, নাপী অমসুং হয়াইনচিংবা মথল ৯ অসিনা হৌরকুবা মতুংদা মরুদগী পোকথায়বা পোং অহুনা মালেমথক্তা থিনগংলক্লে, ৪। অকুংপা অতোংবা অচৌ পিশক থায়দনা য়েনবিবা, ৫। অকুংপা মকম্বুহ খোনগ না বাংথংহনবিবা।

[১]চৌংসাং নাপোম অৱাংববু মনাক নেম্না ফোইথুবা [২]সাবন কোং-লোথক্তা হী হোনববু থুমু নৌসোদা তেম্বাং তেকসোনদা [৩]য়েন-পোৎ লিথাউদবা, লিনসা হাইচেং নাইদব, কমবে'ং খারম পাৎ ৱাহনবা, থাংঙা লাইরমপাং ৱাতেম্বা মরুম্বী খোইমোম লাইরেম্মা তেৎম্নু ভোনথাংম্নু উসোং লৈমা লমলাং নিংথৌ চন্নু লিরি থিরাম্বা গুম্বী লোকয়াই ভাম্বা তোংগুম্বী, পোনখ্রেং অৱনবদা লাইজা ইসোকপবু ইরিংতবীবু লুম্নব, খোইয়ম লাইম্নিংথৌগা, খোইয়ম লাইয়িংথৌ থমলাংবা ঙাংলোথম্বা মরুম্বী খোইমোম লাইরেম্মা সনথোং হুইমুরৈমা মঙাং নিংথৌ চন্নু থোংনাং মোইপুং পোৎতম-লোই, লিককোল খাউচাউলোই পসোৎ ফিরাকলোই, কা য়াচু লোই লোইয়াবিবু লুমনবা লাইয়িংথৌগা, ইয়ু হোংনেম লুৱাং নিংথৌ পুনসিবা [৪]লুংবান সাকৎচৌংগী ৱাঙনবা লুৱাং লাংহৈ চৌংগী য়োইচানবা খোইয়ম তালোয় মরুম্বী কাউকু লৈমা লমদং নিংথৌ চন্নুগা তালোয় তুনা থোইবা, লুমলেন তরানিপান লুম্নবা লাইম্নিংথৌগা খোইয়ম লাইম্নিংথৌ চাখাবা লাংমৈরেম্বা মরুম্বী খোইমোর লাইরেম্মা লৈরেন লৈমা সনারেম্বী খুমন খা থা লাইথা লোই লিকসং লিকঙাংলোই ফিবোং চামিরোইবু লুম্নবা লাইম্নিং-থৌগা, হেপী থোংলেনয়াই কাইরৈমা কাইরংবম্নং হুইয়াই খুনবী

১। রাংবা চৌংজাউবুম্থ নিঙথাজৈহনদুনা নেমথহনবিবা, ২। অতোপ্পব অৱাংবা মকমদা লৈবিবা (রাথম্না লাম্বা ফংদবা) ওইববম্ রাই কৌবদা হায়বিদবা, ৩। তেৎৱানবদা লৈবা অচৎ-চক্তলিংগী মথৱাই হিংনবগীদমক য়েন পীবদা ময়েং তাবা লৈত্রবা ইবুংঙ্গো, ৪। লাঙ্গোল চৌংগী অৱাংথংবা লুৱাং লাঙ্গাল লোকমায়গী চৌংদা পান্নবা।

লয়চোন হাউতম্বা চানেম যুনেম্বা থোংক্রাই মেনদং লাকপনা পোক এ। মপান লাংতেম মৈরোংকৈ থোইমোম লাইওইফবী থোয়ম লাইয়িংবো [১]থা-রাই মার নিংথৌ চীংড, ওংজা চীংমাবা [২]ওকলেম্মা য়াকানবা, [৩]লাইরেম্না পো বৈনবা চীংথোং পোই-রৈতোম্না, [৪]রায়েন থৌদা তমদরিউদা তমবিবা লাইয়িংথৌ, লাংগোই [৫]সগোল অপায়ববু পাইখিরপনে হায়বগী বু মথোউ মসা কক্লা রারক থৌপাউ তমবিবা লাইয়িংথৌ। মরুম্বী থোইমোম লাইরেম্মা চাংলোই তমলোইবী তোনপুং ওম্বী থোইমোম লাই-রেম্মা লৈরক কাজাও ফাবিবু লুম্নবা লাইয়িংথৌগা থোইয়ম [৬]কৌবরেন মচা অহনবা তুরেল লুখাইবা লাইজায়িথাবা যিমু খলওনবা য়িঙৌ চাংজিংবা থোইমোম লাইরেম্মা [৭]থৌজু মুংনাং লৈমা থিকলেন থানা পানদবীবু লুমনবা লাইয়িংথৌগা লিনপান য়োইনৌহন লৌহন অহনবা হৈরী লিশিং নেনবা থোইচিং চায়বা থাংরাই মু চেং ওম্বা হৈরী চাঙৌনা থোইচিং লুমপাংবব, কায়না হুনবা হৈরেন খুল্লান ওম্বা ঙাংখা খো থিন চায়বা তোন্দে তোন-রাইবা মকু অতেংবা খুনবী কাপথা চৈথাবব, সোঙকিবগী দমকপু

১। থা-রাই মার নিংথৌ=মারজিং, ২। লমওক ম্নাম্না লৈবা মফম ৩। লাইরেন ময়াম্না য়াকাহনা লৈবা মফম, ৪। পোইরৈতোম্না রায়েল-থৌদা তৌত্রিউদা মার্জিং লাইয়িংথৌনা রায়েল থৌদা তৌবম্বা, ৫। মশা পাল্লম্বা শগোলবু মশাগা মশোংগা কক্‌না মথোউ খেকপিহনা শীজিন্ন। য়াহনবিখিবা লাইনিংথৌ।

৬। অবাংবা কৌক্রু চীংদা পল্লম্বা থোইয়ম কৌক্রু কৌবগী মচা অহল কৌবা অঙাংঙানা কোরৌ নোংলোম্বক্রুগী তাবকপা ঈশিংবু পবিং লোক্লম মচা থায়না শেমহনা চেম্বহনবিবা, ৭। নুংবী নুংজাউ পোকপীদি ওইবগা [illegible] লাইউ ওইনা শেমহনা চী মচা মচা নেমতক-নেমাক্না শেম্বি লাইবেম্মা।

কাউরেন সায়াং থক্তা হেনমোইবব কায়না ছুনবা, মরুপ্পী খোইমোম লাইরেম্মা থুনতোং নাউসং চম্নুবু লুমনবা মপারী অথিং কায়হোবী কয়কৌবা [১]মুমতরৈ [২]ভাংতরৈ চৈথা তেনথাগা [৩]নাছুং নারেংগা তমজনববু পারীনবা নাউহন অহনববু মমাইবা থাবা লাংথংচা কাপ্‌বা লৌরেম্বনা মঙ্কাউথবদি উরুপ লম্বহন লমলেন পোংচৈথা ভানপ চাজনরায় খাংলা ম্লৌরুমবাই, [৪]কুনান তেনচৈবা মচীংসাংবু থেঙ্গোইবা থোংলেন বাংথৈরাকপা মক্কৌ সায়াই চেনবা য়াউরৌ সাকা লম বাংথৈ লিকথুন পুভবু থৈনা লামনা বাতেমবা মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্বগা ছুয়েন লান-লোয়নবা কবো মুংয়াংভম্বা থামুং মিংনাইবা ফাবা লাইযিংথোগা খোইয়ম থাংভা উমংলাই মাপনমবু কাউরেন য়াভতেকপা [৫]মানবী চিগোনবগা কোনজননা খোইচননা সঙ্গাইচনন [৬]তেনবী চম্না য়েৎত্রৈ থাংগ হাই, ওইত্রৈ থাংগা হাইনা [৭]থিনবী খনলোং চননা থাংভা উমংলাই মাপনমাবু [৮]হিয়াসোই যুপান থানা

১। কুচু মুবা কাচবুগী মথৈ, ২। কুচু চাংলৈনবা কাংবুগী মথৈ, ৩। মনা হুৎপগী থৌরম তৌহনবা, ৪। ইমফালগী থা থংবদা লৈবা কুনান চীংগী মফমদগী হোনা কোম্লকপনা বাংথৈগী লমদম য়োনা বারক বাতেমহুনা লৈচারুকপা, ৫। মচী অকোনবা পানবা শল ইবোইশিংবু চনশিনহুনা ৬। লীকাপ তেনকাপ তৌনবা তেনগী তেনবী তেত্রৈ হাপ্লহুনা, ৭। লাইগী থৌরম ঈরাৎ থৌনিবদা থক্তা থকথল থল্লহুনা, ৮। হৈবা (মৈদা চঙদবা পোৎলম লফোই লতং অমসুং শিংজুনচিংবা য়াওনা হৈরুক থাবগা লাইদা কৎলহুনা লাইবু নিচজ-থুরুমজবা।

কোরৌ লনশাবা রাংবন পাউসা থানে হান্নদবরা। খোইয়ম লাইতোল লোমদরিবা মথৈবু থাবা লাংথংচা তাউরোই পুংলেন কিনা রা লেন নাক্ক। ম্লেপনা পু জৈ ফৈনা হাইনা হয়সোই যুপানকৌ মৈমুং মৈবা মৈবু সোন যুরেপ অনমা মীওই নামু না নুমিং সিংবুম তরেং নমাবু রাকাউদনা পাউতাকএ। লাইরেন মৈদিংগুদি তুবি ফনমোইমিং ফম লাইরেন ফলাংমৈ তোংনা কংলা ফনদোংলবগা মদাইরেম তাউরোই পুংলেন রাক অংস পনমাবনা তুবী নতিকসক লাইরেল নঙল থানা পাহায় থৌদা থানে। লোইদাম মনুং ওইরকলবদা হোইরৌ হন্না লাউনা থানলৈ.লৌতা থানে। [1]পোইরৈ মীসন লৌকুমদা [2]রাঙম মীনাই লৌতাদরিবৈদা লমলেন চেংলৈ পামংখোং চীংগু লৈঙাং পান-ফোয়-লৌ কয়বী মুংসোন লৌদা তুবী লৌকুম্নী লমবু লৌতারাই [3]পানবা কৈজেংলাংনা ওইরম তি-তি-ফা, [4]নোংসা খুাংনৌবনা অরং চনগা ফা [5]থাউরৌ হুপুবনা পোংপু লেংনম ওইনৈএ, [6]লিনচু ম্লেকতৈবনা কাংজৈ লুমবান খোংব ওই, [7]তাংজ নাবিন শাংনা লুমলি ,থৌরী ওই, [8]লিনখাক্না রাইথুমিং ওই, [9]তাংজ লিনলাথি অরাং মুংকোন শেরানমৈন তেংনৌ যোংচৈ ওই, [10]থউনাইবনা লাঙ্গোন ওই, ঙউনাইবনা

১। তাইবং মীনা লৌ উদ্রিবৈ ২। লৌথী মনাই ওইবশিংদা লৌতাদ্রিবৈ, ৩। কৈনা তিতি থং, ৪। নোংসানা অর-থং, ৫। থাউরৌনা পোংপু ওই, ৬। লিনচু অবাংবনা কাঙজৈ লুম্বাগ ওই, ৭। নাবিন্না লুম্লি থৌরী ওই ৮। লিনথাক্ক পোংপুগী মযামদা লুম্লি হাপ্পবু নাহোক্কনবা হাপ্প রাইমিং ওংজুনা, ৯। গুাংলৈ রাচেং মানবীনা যোংচৈ ওই, ১০। থাউবৌনা লাঙ্গোন ওই।

য়োংথোন ওঙ্গ, মরোই-য়ি তাংলৈ অয়াংবনা লাঙ্গোন খুংগু মিতম ওই, থেঙ্গু লাইখিবী চানা লোংখুম ওই, শিলহানা চৈবুল মীতম ওই, তুপ্ লোকুম্বীগা লম্বু লোতাবগা খোইয়ম লাইপাখং মাপনমা থোইমোয় লাইনুরা তবেংমাগা [1]খুৎলং মায়ফাং হৌনা লয়নুং থাংগা লোতম্বা তরা চাকসৌপুং বাংলৈ যুসৌ পুংদা [2]হোইরৌ হয়া লাউনা খানলৈ লোতা থা [3]পোইরৈ মৈনাবাই তাংনা শমনা তয়ম লোরমচা লোমী য়াংদৌ রোই মরোয় লোইনাই সিংনা তয়ম লোরম চন্থু তরা চাদান লোইসিংনা [4]মানবী সায়াম হোইনা কাউরেন মিংথা লাউনা [5]লাঙ্গোন খুংগু মিতম পায়, চৈবুল লেংদা থোংনা লোপুক নারিন শোন সঙম ঙাগতং য়াংনা খানলৈ মঙম-ফং তয়ম লোরম চন্থু অমুবী নোংজু লৈব্ চোংঙবী নোংসা লৈব্ কংদবী সিংনা য়ুরা খুৎলং মানপন লেংমননা অয়াং তোনপ চন্থু খোয়নৌ সৈরি কৌবীনা খানলৈ লোরং-চৈ [6]লাংলেন কোংয়াং বারুকোন সাক্ষবা লোকলউ লেংহানবব্ কোংয়াং থাঙতপ পায়না [7]তেংনৌ নিঙতম্বা [8]থৌরৈ য়াকাকপা খানলৈ লৌ শমজেংনা [9]য়োংয়া

১। শূমিত্রবিবশিংগী মতেং পাংনবহুনা, ২। হোই হায়বা থোম্বোক্কা লোয়ননা লোতা ঈশৈ লক্রহুনা, ৩। লাইওবা ওইবীশিংনা তোরম্ব মপং লোতুনা পোইরৈ মৈতৈ লমগী মীশিংমা মথং মথং লতৌ তম্বহোড়ুনা, ৪। শনপোৎকী শনয়াম হোইবহুনা, ৫। লাঙ্গোনগী খুৎপায়ফমনা পায়-রহুনা, ৬। রাক্র অকোনবমা মখোক পানবা, ৭। য়োৎপাক্কী মনিঙ অতুম্বা পানবা, ৮। য়োৎ তৌনবা ময়া পাকনা মৈথোক্রবা, ৯। য়োৎনা লোয়া তোবা

থনতৌনা [1]তেংশাক লালুসা [2]কাক্ন নোংগা ফৌ য়ুপা থুমন তান [3]বাহি কোকতাই তুগ্না-শোই, লৌরি ভুংদাই-য়ান পিরেন-নাকচি খোয়া হোইরৌ হয়া লাউনা থানলৈ লৌতা থা লোইদাম সজিফু থানে হায়দবরা। থাক্ত কোলোয় মমিং থোংমু মদোমদে।

কালেন

লোইদাম কাম্বী কালেন-থা কৌবদি কদৌনোংগীনো নয়ুবা চীংথোং পোইরৈতোন লৈম্নুং থোংফা অতোনবনা [4]থমলৈ মীমুংকোন [5]সবা মীথুরোনগী মালেম খুনফাউরকপদা মপারী সিংদাবুং তবুংমিংনবদি লবাই লেনফু থোংজাউব হাংনা কাখিবাগীদমকপু তাবুং সিংমিংনবদি অমন সিগুমখিরে হায়দবরা। অত্তু নোংগীব নোংজু নোংথাংলব কালেন কৌবা লোইদাম কালেন থা [6]মিরেন হকচাং য়িমদিননা তুবী য়োইনোংদা, নোংদা লাইরেন পাথংবানা [7]মালেম লয়তা থানে মালেম লাইম্রিংথৌমুং

১। লৈতুম অচৌাবু থুগায়বগা মতুম মচা ওইহল্লবা, ২। নাপী মক্ক লিনফুনা মথক্তা ওনথংনো কৌজুনা, ৩। রাহিশিংবু য়াম্বুংপদা মকোক কক্কহুনা, ৪। মী তাদবা লম অশিবগী লমগুম মীচিক মীয়াটথোল তাম্রবা লম, ৫। মী তাওনা ফংবা লম, ৬। থবায় পানবা মীওইব-শি প পুকনিং থোয়জেল তিম্রনা, ৭। কংলা লমদম অসিদা অমুক হন্না লাক্কুনা থুম্না থানি।

কুমলকলে হায়বগী দমকপু হৈনা য়াংমু কৎনা থামএ, য়াংমু থমও কোএ। লোইদাম কাম্বী কালেন থা খোইয়ম লাইয়িংথৌ চীংঙ [1]নোংদাই নিংথৌ [2]থোংনাং লে ইচা খোম্বা, সিঙলেন চাহেপ্পা উরেন উথা নিংথৌ উরেন লাইকা ফবা য়োইময়াই লাইরেন তাউদনববু [3]ঙাইরোইনাবা লাইখিংথৌগা চীংলেন নোং দাইলৈমঃ থোংনাং কোইচা খোম্বী সিঙলেন লৈচা হেম্নীগা খোইমোম মতৈ মনাউনা হৈরাঙ মথোন তয় তাউজিং পুংবু লেমনা সিঙলেন লৈয়াম হুন কোবা মুংচীংলা লয়কৌ নাউ-কনলা, নুংলক পেংচোইলা [4]চংবী লারাক তোংদম থা [5]চেংঙৌ ফাহাপ্পা [6]য়েরুম কাংথিলনা অসৈ ইশান পোংপৈ লেমনা লাইরেন মতেংঙ তাইবং সারারেনগা য়োইহৈ সলাই তরেংমাগা [7]পোইরৈ থুনথোং মরিমাগী নমু পো ওইবা পুমনমনা [8]কোরৌ লনসা থা, বাংবন পাউফাবা [9]পুনসি লৈনী থা [10]থাবী থিয়াথৌ অমাই মুমদোং লাং, নিংথৌ মাইবা মাইয়োক তরেংমাম্নং খোইয়ম লাইয়িংথৌ থাংবাই মার নিংথৌ চীংঙ ওজা চীংমাবা খোইয়ম য়রম্বু থাবা নোংমাই হনবগা উমলোন নাতৈননা সে'লাই লৌ

১। নোংগী মপু ওইবা লাই, ২। ময়াং কাছাড়গী লমদম য়ৌনা লাই চনহুনা লৈক্তাকপা, ৩। লোয়নবা, ৪। চংবী লাগী লারাক পাক্পা বগা ৫। চেঙ মচং নিংথিবহুবু হৈরহুনা, ৬। মথক্তা য়েরুম কাংথিন নগুম থিল্লহুনা, ৭। পানা মরিমক্তী (অহল্লপ নাহারূপ থাবম লাইকম) । লাই নিঙুজবা থুরুমজবা থা, ৯। পুনশি হুংশাংনা পাঙ্গে হায়না টোনিজবা থা, ১০। লাইগী পাউতাক হায়বা হুবী চীংঙ মথোয়গা তম লৈবা থিবিক্তা লোইনহুনতা লৈরবী।

থম্নোং, থম্নোং চুমবা লোকচাউ ময়দা ওংবা লৈ, কৌবা লোকলৈ লৈথম পান্নবা হাথা থামবু সিঙলেন লৈরাং তৈনা ম্রাংলৌ লমদা নৈয়ে। খোইয়ম [1]লাইমিংথৌ হনবা সনা ফিহোন হনবা মশুমাংদা [2]ম্রাংলৌ লমকা হৌনা অরাং লানগু অহোলৈদা লমকা থাংনা ম্রোইবু তমক্না রাঙাংলোন উনা লাংবী খোংনিঙ চঙবীগী মহেংথাবু [3]সিংলেন লৈরাংসৈবু সকনা খোইয়ম লাইথোং থুদিংদা [4]সিঙলন লৈয়েন থানে। লাইরন মৈদিংঙুগা পোইরৈ [5]থুনথোং মরিমদা সিঙলেন লৈয়ন থানে। তিনজা লাইজা তিনমু লাইমু পুমনমাবু [6]থাঙন থা লোইদাম কামবী কালেন থানে হায়দবরা। থাজা কোলোই মমিংথোং অরুবা অসিম্নুং মদোমদে।

হাঙ্গা

লোইলাম [7]অসাউ ইঙা থাও কৌবদি কদৌনোংগীনো। চীংখোং পোইরৈতোননা মপ রী সিংঙুং [8]সি তাবুং তবুং সিংমিং-নবাদি তমন থমলৈ কুমনা নোংমনন্নবগী চীংখোং পোইরৈতোন্না [9]বাংইখিএ। ঐন্দুদি [10]তাইবং মন্নুং ওইনব নোংদমও হায়বদি

১। সনামহী লাইনিংথৌগী মিং ২। লম্বী শোবোক থন্না ৩। লৈগী লৈশক তাক্না লৈথাবা ঈশ, ৪। লাইদা কংলবা লৈশিং অড়ু মীয়ামদা য়েনবা থা, ৫। পানা ৪ হায় দি লৈকাই ৪ দা ৬। লাইদা কংপা থা, ৭। যাম্না ওম্রা ওনশাউবা, ৮। পোইরৈতোনগী মচানিপা শিংতকু, ৯। পুক্লিংদা অশাউবা হুংহাইরবা পোকথি, ১০। তাইবং মীশিংনা থুন্দা লৈহাতনা পানবা মাননবা হোৎনকুও হায়বনু করি য়ানো।

করি য়াংনো। পারী তবুং সিংমিংনববু নোংমনলে হায়না [1]য়াইবী মমু'শে তিনলাং মখোয় সাউনা য়াওইখিএ। অহু নোংগীবু অসাউও তৌনা কৌএ। মপারী তবুং সিংমিংনবাবু মনম মহাং চাউরে অহু নোংগীবু ইঙা নমচাউ থা থোঙলেন [2]লৈসানমনা লোইদাম কুমদম থা মোংবা য়িমলেন খুদিংদা উরা হুমবু লোই [3]চানা ইতাই শিংনা [4]খাম্বী লপকাং সেং, চকমোম মৈগা মৃৎনা শৌরেন য়োইময়াইনা মতাঙ থে'গে তৌগুমলবদা য়োইরেন খাম্বী মৈয়েংলোইনা মৈবা য়াইগচন মৈয়েং থক্কা থোলনা লাবা খুংগী তৌরাই থিংনা চকমোম মৈগা লিংলবগা হয়েং কৌবা মনোং সোয়রবদা তাইরেন নারেংববু সমু খুত্তা শুনা লাইঞ্জা খিকফেন চাইনা খোইয়ম লাইমিং সোননা [5]নাহৈ য়িমসেংলবাগা [6]লাঙ্গোই সগোল, শমু-থি, মেননাং তনবা হামেংথিগা, হোরেল মুমিদাং তালৌ লৈনা থেঙলবাগা খাবী থিয়াথৌনা ইঙা ইঙেন লাইবু হোইএ। হৈপাল লাপান লাই হৈরাং অসং লাই, তাউজিং অমুন লাইগবু লায়গনে হায়বগী খোইয়ম লাইতান থানে

১। থবাই য়াম্মা হু-ঙাইতা অশাউবগা লোয়নননা, ২। ইঙ্কা থাদা শাংপা লৈম্নম কৌবা মনম নমথিবা অহুনা, ৩। ইনা কুপ্নিবা য়াচেংকা তাইনবশিংবুস্থ শিত্তোক্ত্না, ৪। লৈকাং থাংবা পুম্নমকপু শেংলহুনা, ৫। নাহৈবোল শোল্লহুনা (ইরু লাইশোলগী নাহৈরোলগা লোয়নননা ঈশিংদ তাইবেল লুংফাই নাপী-শিংবী হাপ্পা অহুনা চাইথোক্লহুনা) ৬। শগোল শামু অমত্থং হামেঙগী মথিবু মৈদা থারগা লাই তানহুনা (মতাং অমদা কোক্রুগী মচা অঙাংঙানা সরাবেম্না শাউবদগী লেপ্পা লৈতনা নো- চুহুনা ঈশিং চাউবদগী মী পুম্বা লৈফম লৈবক্ত বদা শগোল শামু হামেঙগী মথিশিংবু মৈদা থাহুনা মৈখু খুংল্লগা নোং লেপহনখি মহুগী মতৌ তমহুনা তৌবিবনি।

পোইরৈ লমথোং মরিমাদা থাওবা সনলু য়ান লোইদাম অসাউ ইন্ডা থা য়োইক্রুমলোন মুংবান চমুরা কোরো থোংজোংমুবী মতা তরুকমনা মানজা মরা ওই, হাউকু সোয়সেনবা লোইনাই সাফবা তরুকমাগা মালে। লয়দা তানা লমওক্রুরবাগী হারি খোন্দৈবা চৌংসাং লাংলেপপা চৌংয়াই কোম্থাবা কৌবা লৈথাম মানবা থ্বাংনৌবব সাংপা থানে। পারী নওদি চানা লৈথোঙ পায়না খোয়মা নারোন মুংদা ইঙা কুমদম ঙমও। নপল ঐসুং অবাং কোরো নোংলাংপান্দা ইঙা কুমদমলককে হায়না খোয়নৌ ইঙেল মুরাবী লৈমা য়াংদৌ অতৌবীগা মপারী কৌবা চেংলৈ লৈথাম মানবা থ্বাংনৌবাগা [1]রাহমনবা থানে। কংলৈ মদাইম দি লুবাং খোকবাপোক চেংঙাপনদা য়োইব পিমাবী পৌরা লাংতাংফম লংহৌ চাকথোংফম [2]ককলা শেংগম থুনদা হংঙোই কোম্দে মুরাবীনা [3]থ্বাং নোংজেং লাউবগী ইঙা কুমজেন থানে হায়দবরা। লুবাং খোকবা পোক চেংঙাপান থিকনেম কায়বরম সারু নোঙ্গাবাই [4]মানবী থোইগাপাক থোইনু অহোঙবী ঙাতা সনব মানবী সায়াং থায়না অউপ্পা মালেম লৈতাইনা অরোংবা অবাং কোরো নোংদাইনা, তরা চানিথা লাইজা য়িনু থা থোঙলেন লৈসিচাক ইঙা লৈসিনমনা পোইদাম ইঙা অসাউ থানে হায়দবরা। থাজা কোলোয় মমিংথোং অসিসুং মদোমদে।

১। রা হায়না-ডাউনবা থা অদুনি। ২। ককয়ি ঊচুম য়াম্না লৈবা মরম্না লেজম শাদুনা (মথক্তা থাবা শাদুনা লৈনবা) থুমংদা, ৩। মতম কুমশিং থাশিং তবক্লবদা অঙাং পোক্লমদাইগী থোয়জি চনিঙ য়েক্লকপা অহুঙম্না মতম ওইরক্লদুনা নোংথি নোংমংবা মতম ওইরক্লবদগী, ৪। ইরোই মচি অপাকপা অশা বা

ইড়েন

লোইদাম ইড়েল থাও কৌবদি কদৌ নোংগীনো? নমুরা চীংথোং পোইরৈতোনগী মপারী শিঙুং সিঙদবুং তবুং সিংমিংনবনু [1]অমন সিগুমখিববগী লৈনুং থোঙারেল অহলবদা [2]রাইখুংলুরে হায়দবরা। লৈসং থোঙারেন অহলবনা নারা নঙদি কনানো হায়না পাউংঙোএ? ঐদি চীংথোং পোইরৈতোনগী মপারীনে। লৈমা লৈনা উত্তাবীগী [3]পায়মা লিনগোয়গী সিংদবুং তবুং শিংমিংনবদি ঐনে হায়না পাউথুমখিএ। নপাদি মপারী থ'ইন যাম মমোম তোকন ওকনবদি [4]উরপ কনানা চাখিনন ফমলেন কনানা লুখ্রপ ওইগব না। [5]তাইবং অমবক হনরাইখিও হায়না [6]মেন সনা রাহইনৈ মেনদামপোক পানলোয খুঙম লৈবু সিঙলেন খুত্তা শুনা পাউথেমঙমএ। থমোন মীহুংকোন সরা মীখুংবোনগী সেংনা মোনা হনলকই। অহু নোংগীবু লাইদাম হানে ইড়েন থাও তৌনা কেএ। নিংঙোন সিহনবনা পোইরৈ [7]হবাং থৌরাংকা [8]কুমসা থাসাগা [9]তিনসোন লাইসোনগা নেমথোকপা থান। পোইরৈ খুনথোং পুম্নমনা

১। শিখিবদগী ২। মনাক্ত থুংলাব, ৩। শিংমাপভুংদগী গর্ভাগী ৪। মপাগী মহংপু কনানা শিনাহগাগা ৫। খোংগী শমগী মচঙানা লৈবা তাবে পান্না মসিদা মমুক হরখুংথা (চংখুংখা ৬। কশিনথুংনা হকচাংগী থোপ নহী লৈবা অহুবু অমুক হনা হাপ্পিরকন.. ৭। হরাং থৌনি তৌবদুনা ৮। কুঞ্জা থাজা মনুং ওইবক্রবগী, ৯। তিনশোন লাইশোন লাইমিং শাইশোন মিংথৈ শোবদুনা।

[1]চৈরৈ মকাফোং [2]মানশৌ মীমাঙতাক [3]সিঙলন চুনব লৈরাং নিঙথিববু কোকলেন লুফম হনমা বাংলেন মরাঙগী পুংসেন মনিন নাইনা লানশোই চীংডাবংগী থোঙলেন লমসাং ইলনা লৈপান লমজেন থানে। মৈদিঙু মদাহবেন হিয়াঙ-লোই, ইমাঙলোই, [4]ইবুংঙো মরোই, [5]ইবেম্ম মরোয়, মৈদিংঙু মরোয, থাম্বী ওম্বা মরোয়, সোরমফাব মরোয়গা হিয়ংলে ই, ইমাঙলোই, ইবেম্মা মরোয়, [6]সায়া সেনবা লায়, তোংজেং নাউমৈগী থুমু নোচাউ শুনা মিংয়েং নানি শোঙবা পোনবী রায়রং চেকলা মশুং মানগুম্বাসিনা বাকৈয় অসাং থন, থুমু নোবাং অতেন থনা হিথা লানথা মকোই ফোংমা হিয়াং কুমমৈ থানে। থাবা লৈবেনগী অতে লৌথাম্বা [7]সাম্বি-বাং পুংগাইবা [8]কৈরাং লানকোবা য়োইরেন সলাই তবেংমাগা [9]অসি পনমাবা [10]তাউরোই পুংশেন বাককা সঙশেন মনিন্ নাইবা তরুকমাগা লাইবেন মৈদিংঙুনা [11]সনা মৈমবাই হৈনা মতুং ইনবশিংনা বাঙলখিএ। পেইরৈ লোইদাম মপুং ওইবকশে। লাইবেন মৈদিঙুদি থোকচনা লাইবিম চডনা চীংচ লাইপাউ হমগে কায র। মোমনু হৈজ অওই থিবী নেইত মরন ওনশী সিংম্ম হৈজা অওই থিবীগুন। [12]তনবা মীথনথাসিংম্ম পাখৌ

১। লৈথিবা নিজং থং লৌরডুনা, ২। শেংলি হল্লিবা ফিনা মীমাঙদা লেন্নজরুনা ৩। নানা মানা পানজবা মশকী চুনবা লৈবা, চিল্লডুনা, ৪। নিপাশগী লোয়নবী, ৫। স্বাশিংগী লোয়নবা মরূপ ৬। হকাংবু শেনবা মবোয় মকাশিং, ৭। শাগী ঈ কত্তুনা, ৮। কৈগী ইবাং থোনি তৌডুনা, ৯। ঈশনা মাচ শকপশিং ১০। পুং ১ কাঙবুগা, ১১। নিংথেগী থোগল শোনা মতু ইনডুনা ১২। মত্তিক মথোনা লৈ। মশাঙ্গন মপোশিং লৈবশি।

তান লোইবী চীংবু তানববু লোকসা ইমায় কাংববু য়াউ-বিগুনো। বাইরং থুরাইগে তংশ তনদাই ওন, থা লা পোনথিং য়ৈ, নোইমু চাস্ত তানবাবু [1]চেরংলো। সোইরেন পাংলম কোযবা ঙাবা মীতম লেং খাইজা পোংতম হানবা [2]লমলৈ ঙাহা তানববু তানহিগুনো [3]হরৌননা নাফ গনে। তুনী মমি-য়োক লাইরেন মসান কনবন, সেম্বগনে হাযনা থোখাম থানে। য়োইহৈ সলাই মংঙামা [4]মোংবা ইমলেন ঙানবী চংলম ফানসাং হেনবী থবা তেলৈরুমবী মুমিং চীবু নুম্বীশিংনা তমপা কংলৈ মৈতৈ লৈমবু য়াহৌখিএ। মৈতৈ লৈমা পীমাবীও, লৈনুং চেপ-তাঙা কাইবী চিনওনলাং [5]চেকনা সাতাংবা চেকুম্বীও, লাইরেন নসাবীবু যাহৌবিও। খোইযম লাহয়িম চঙসে, চীংঙু লাই-পাউ হমসে হায়না য়াহৌথ, [6]বা বল পাউসা থা সারেল সা য়েনথা, তয়ম শৌরমচা তরা চাদানলোই লোইমোম নাউ য়োকলোই, ঙৌবোং নানৈ সেংপা চাকঙন লাইতিং চানা খোঙ-কানব মংথা খাবী থকনা খোনবোবাসিংনা [7]থাংয়ি য়েনসম ফোয় [8]লোইমোম মফম তাউ, তয়ম শৌরমচা অরাম য়াংবা চনুসিংনা লোইমোম নাউয়োকলোইসিনা থংকান অথোবদি হুয়ন লান্দা ফি কদুই হাউচোংবা পাখংবনা চরৈ লেংদোন

১। লেপলো (শোরো), ২। ঙা ফানবা হোৎনববু, ৩। অথো নাহে থোক্লা অনা। লাহওং থঙদনা নাবগান ৪। নিঙথিববা মুমগী মগুন ঙাক্লা লৈবদা নিঙথি থোননা পুকহববা, ৫। নমগী উচেক্লা শাইজিন শাথাদা তাজাগুম মবু ডোগী মরুম থুপ্না তাংজরী ৬। কোবৌ অরা নো লৈবা থিক্ক থঙদ্রবা চা ঙ মথাংগী নিংলেনবু শোন্নবা থা, ৭। ফৌ অনৌবা মপাম্বাবু (লৌহানবু) ফোয়বগা ৮। ফৌ পান্দানি।

য়াননা য়াংলৈ তাউবা হুগহং ফি, [1]মপাল হুইযা সাবা ফি, সোংপু য়াইরোং নামিববু [2]চবৈ ... নাবনা, চেংবুম মানলৌ খন্না, [3]থাংয়ি লয়সামেন থুদাপ ভাইরন-খা, চুপমরং লমসং কায়না সমু পান্দা থিন লংমাই মুংবীকপ, [4]থাংয়ি খোংজারোংবা মশুমখং, মচিন বাইরা সেঙ্গম মানবা মকোক তাঙজা লিনন্দু মানবা, লুবাং নোংঙহুম সঙদা তাউখঙবা চুপ, পাংলম কুমখিঙৈদি পাখং কুমজিং লোনখোডনু দা য়াতাবা, কুমলৌ তাগে হায়র-বাদি নুরা শংদিং ঙৈথোমমুদা য়াহিপনবা চুপ কেগে মোই রাঙম্বা য়েকপু য়েকতমবাদি য়েকসোমদবা চুপ নোংয়াই খুমন ঙখা যেকপু মকতমবাসুং য়েকসোয়দবা চুপ, [5]তুরেল চংলৈ লৈংঙাযনা হায়া খোংসোমনা থাবানবা, মোমনু ফোরা উন-কোযথুংলা হুপমিবা চুপপ, চুপলৌ তাইগা মেন [6]বায়রা সনলম যুন [7]থানলৈ লৌখোং থিংবা থা, তয়ম লৌরমচা তরা চাদনা ...কাসংনা লোইদাম থাজা বাকাউদা কুমজা বানিন নাইনা কাউরেন মসনচা মানবী চীরুকপা কাউরেন লায়তোংবব, য়াইখু ঙকাস [8]কোংযাং অনি লেংফাই যুং, [9]লাংলেন কোরাংবাব,

১। ফিগী ফিবান্দা হুইগী মথা অতুম্বা মান্না ফিবান চনবা, ২। চবৈ ফিনা নবদা থাক্রা লাকশিল্লহুনা ৩। ফে থাবিবা মফমগী লৌবিদা ঙৈক্রক চৎপবু মেল্লগা, থাংয়ি খোংজ্রোংবাগী লমদমদা শাবা শংমায়দা মাচল অনি শেঙ্গম শাবা মকোক অদুনা লিলগী মকোক মানবা লুবাং নো হুমশঙদা ৫। তুবেলগী নৈংডোহ ফোলিনা হাবা ওইদুনা মথোঙদ হাপ্পবা, ৬। য়াংদৌ লম্বীপুম্বা শন্না পুন্না পুন্না চৎনবা মতম, ৭। লৌগী লৌবোং পুম্নমক্কী ঈশিং থিংবৎনবা থা, ৮। কোংয়াং বা মকক অনি মান্নবা যুংশগা, ৯। কোংযা বা হুডবু ঈবাৎ থৌনিবদা শন ইবোই ওক হামঙ্গুগী ... বং ...

য়াইথু পরেং য়ান, চানা চোমজাউ পুন, তেকপী ওক মচামব, কাউরেন খোংগানননা, কায়রৈ য়েকমমানা কাউরেন মরাইবক্তা য়েক্কম কাযজা হুন্না কাউরেন সনাই তাগুনো, [1]মানবী থুমাং কোকুনো, [2]কাউবেল খুজিল কেনগুনো [3]মুকমু সলাই তাগুনো [4]কাউরেল সনমি কোনা থা, [5]কোরাং মিকৌ থানে. লোইদাম ইডেল থানে হায়দবরা। থাজা কোলোয় মমিংথোংদি অসিগুং মদোমদে।

থবান

লোইদাম থবানথা কৌবদি কদোনোংগীনো। য়োইব, খোইমোম লাইরেম্মা লৈমরেন সিদবীনা [6]পাউমেনথিএ। খে ইয়ম লাইযিংথৌ [7]চৌংড, লাইমক সিদবা ও, তাইবং নোংসাপান ওইনবা চৌংড, নথৌজানগী [8]উনবী মচেঙ হকমা-ওই, লৈরং য়িমজংনবাব, চৌংড, নঙাী সমু হকসাংলেনব, পুঙমদ র, হায় ন তংনা বানা থাংলমএ, অদু নোংনীবু লোইদাম অতং অবান থাও তৌনা কৌএ। খোইয়ম লাইয়িংথৌ ইংডা কুমজেনবা ইংঙেন কুমথাইবা চৌংড, সিদবা খোইয়ম মঙাইরোই-সিংনা [9]কায়রৈ চৌংসোং কাবী চেকলা মরুপ তরেংমগা [10]লমলৈ

১। শনগী থুমাংদা অনাবা লৈরগনু, ২। শনগী খুজিল কেনবসু কেন্নগনু, ৩। শন মবাই শাবগী অনাবা লৈবগনু, ৪। শনগী থবাই মি কৌনবা থা ৫। শল ঈরোই ওক হামেংনচিংবগী ঈ কৎতুনা থৌনিবা থানি, ৬। হায়থি, ৭। তেংবানবগী মপু শিদবা, ৮। ঋা পূক্কিংনা নিঙবা অতুনা মরু ওইবা অমনা ৯। লমদা লৈবা উচেক মথল ৭ না কুমগী হোনবী মতুংইন্না অৱাংবা চৌংদা লৈরুবগা, ১০। ইডা থাগী অকনবা ঙা মবম ৭ মক্কা অরাংবা চৌংদোল তন্না কারুবগা।

ঙারা ঙাথোয়াং ঙাক্লপ তরংমাগা [1]কোরৌ নোংলাংপানগী মমায় হাউরে লাইনা পাংনা [2]মালেম তম্পাক লয়দা-ডা মসানৌ খোইমোম লাইরেম্মা চীংঙ, ইংঙা কুমদমবব, বাওইথা, খোইয়ম লাইয়িংথৌ সিদবনা খানলে যুপূং থঙ্গা লাংবন কাউরেন সন-সেনবনা চরৈ ফিগোই লৈনা থন, ঙমু খোইচাক লং অপিসাবু [3]পুংফাই কিসি শেং, সংলৌ য়েনপুনসা সিংবী মপোপ লাকনা য়োইওই থা, চীংঙ, কাছা মা দা চংপা, খোইয়ম কাছা তুংদা কোনবা লাইয়িংথৌব, থাবী লংবীরেমনা চীংঙ, কুমদম হৌনা তরা চেং থানা কোরৌ লনসা থ, বাংবন পাউসা থানে। খোইয়ম লাইতোন লোমলবগা চীংঙ, লাইথোঙ থামনা থা, [4]মরান মোংবা য়িম সাংদবা থানে। লোইদাম অর-অনা থানে, থাজা কোলোয় মমিংথোংদি অতুম্বং মদোমদে।

লাংবন

লোইদাম অসিং অরান লাংবা থা কৌবদি কদৌনোংই নো। নযুরা চীংখোং পোইরৈতোন [5]লয়নুং খেংফাং অতোনবনা মালেম খুনফাউরকৈদা মানবী হৈবোমকাউ কাওরেন নোংদম সন নোংপোক চীংথং সনলাই মানবনা থোঙ নুংখোং হাংদৈদা মপারী

১। অরাংবা চীংগী লমদমদা মমায় তরাংনা মায়কৈ য়েংনা কারুবগা ২। ইডেল থাগী ঈশিংনা ঈমায় নৈথবকপগী মতুংইন্না ঙাসিংসু অমুক কুম্নরকপা মতম, ৩। পুংফাই নাপীনা মতান্দা কিশি কিবগা ঙা শেংবা ৪। ইংঙ্গল কৌবা থা অসিদা নৈনবা যম শাইদবা থা, ৫। থুঙ্গেন লাঙ্গেনচুনা নৈরুবরা মচিন মনাউশিংগী অতোনবা পোইবৈতোন কৌ না

চিংমারাবা হাথরমএ। [1]সনথোঙ তাইমম্বেন, অখোম সিংঙুৎ য়েনবু চিংথরমএ। অহুনোংগীবু লোইদাম অসিং লাংবন থাও তৌনা কৌএ। লোইদাম অসিং লাংবন থা কুম্বী চৈহোৌথা, থাবী থিয়াথৌ অমাই শুমদোং লাংনা কৌবা লোকচৈথাম, পানবা হাথা থাম, কৈরেন নাউসোংথাম, [2]সিংঙেন খমকোইবা লৈরাং খামথিংববু খোইযম লাইথোং খুদিংদা লাইরেল মৈদিংঙুগা [3]তুবী ফমথৌ মণ্ডাইরোই [4]লাইরেন নিংথৌ মহিসাং পুম্নমগা সিংঙেন লৈয়েন থানে। [5]সেনবী তাইপোং মরমবুনা সনবী চক সামন কাপী পোংসামন, তাইপোং ময়ায় লম্ববু পানজেং লাইচম থননা য়োইহৈ সলাই মংঙামদা সিংঙেন লৈয়েন থানে। [6]পোইরৈ থাংঙা যুমবুম খুদিংদা খোইয়ম লাইফম ম্নাবিবা পুম্নমানা [7]লয়হৌ লাংবন সেনখায় থা, অমাই মনাউ য়োকনা ইরাং খোৌরাংকা খোইয়ম কাছা তাহ, লমলেন মদাইমাং কোম্নুং সনা থোংলেনখৈদা কাম্নৈর পুংথি খেনখিনা চুপসা মোইফেন-নৈএ। লাইরেন মৈদিংঙুম্নুং চিনকু মায়তানৈয়ে, থিকসেং থা সেংনৈএ। য়োইহৈ নিংঙোল পুকনবীনা সনথোং মাইবী মাইবা যু যুপান মৈমুৎতবা হয়িং ম্নিতা সিদবা [8]হাউদৈ সিনদবা হাৈম

১। নাবগী শীজিন্নবা হিদাক লাথক হাপ্পা শিনয়াই নাদয়াই য়াওবা থাউ, ২। লাইদা কংনুনবা শিঙেল লৈবাং লৈনম শল্লক্লগা পূম্নমকপু ৩। নিংথৌগী অঙ্গুম অথৌশিং, ৪। নিংথৌগী ঈ ওইবা মপা মচা শাগৈ-শিংদা' ৫। কবোগী তাইপোং খুনগী লম্নুনা, ৬। মৈতৈ লৈবাক্তা লৈবিবা ম্নুল্লিং খুল্লিংলিবশি পূম্নমক্কা, ৭। শাগৈ লাই নিংথৌ লাইনচিংবা খুবম ম্নারিবা পূম্নমক্কী লাইগী হরাউনবা শেন খায়নবা ৮। যু অশীনবা ওইদবা

তাংকা যু বাংলৈ অয়াকপা, হাউদৈ অথুপ্পাব, ফমু লকমসি, সিংসিং লাগা য়োন্না বাংলৈ যুচন থানে। কোরেক তেনবী থো, চামলৌ লাগয়োম, পরয় তকক লয়বা, থোম অহুম থোম লাইরেন মৈদিংগুদি [1]মোংবা থাংগো লপলেনকা, বাংলেন সারোং পু মাই-খা, থাইজা মিতমকোন্দা তুবী চীংব, প্রুম লুমলাংচান থ বা থরৈ লুমনা ফমফমএ। নোংদা লাইরেন পাখংবা মস্থম খংব, [2]মোংবা সমজিল লোইয়াফমদা ফমফমলবদা মৈদিংগুদি কোকথক থেনতাই য়েৎ, মায়মু তোমসোন চিল, [3]পজেং সময়া থোম লাইরেন [4]সনা লৈতরেঙ অনি সং সং থোক্লা তুবী নিন্দুম নিঙ্গনা ফমফমলবাগা মদাইরেম খাবী থিয়াথৌ অমাই থুম-দোংলাং তাউরোই পুংলেনগী অসৈ পনমাবাগা সংদিং লোনমু চিন, কুমজিং লোনমায় হেন [5]থাঙলেন মঙান নাইনা [6]য়াংলৌ লমগা হৌনা লমদান নরকলবাগা লাইরেন সনা মখোঙথাদা নোংদা লাইরেন পাখংবা মস্থমাংদা বাইথুংলরে হায়দবরা। [7]তেকপী স্তমলেন পনথা থুংদগী [8]থাচম বায়কুপ চাবা ওকনা অতাই চিবাং ওকপু লাইজ খিকফেন চাইনা ইরাংলবগা তেকপী ওকনোন থানা নাউয়োকলমএ। লাইজা য়িরেন পুংনা ঈসিং

১। নিংথৌগী শঙ্কাংগী মমায় থংব, লপলেনকা, ২। মনুং থোঙগী চঙফম ময়াং-মক্তদা, ৩। পজেংনা শাবা লমজেংনা নিঙথিনা শপ্পাংতুবু হাংতাক্লবগা ৪। নাগী নাপ্পা অনিদা সনাগী নাথান নিঙথিবা অনিনা ইরং ইবং লংনা যাম্বদুনা, ৫। থাঙশাংনা থৌগল তৌরদুনা, ৬। লচী লমজাউ থন্না, ৭। তেকী মকোল মনুংদগী ৮। অচম্বা ভাইকুপ চাবা ওক্লা।

তমলেন চাউ, [1]ককচেং তৌদোন লোম, [2]তাংজা ফৈনা লাম [3]লিনলি কোননা তাউ, তুরেল লাইথাং ফান, [4]কাউবী স্নুমলোই তাউ, লাইজ বাকথং মায়পোইনবা থানে। লোইদাম মন্নুং ওইরক্লবাগী লাইজা ইরম তাবনা য়াহৌথা লাইরেন মৈদিংঙু নোংথৌরেল পুমাবা ও। নচি খোইয়ম লাইয়িংথৌ ফমথৌ নঙায়রোই, তুবী নিংথৌ নহিসাং পুমনমাগা বাকয়ে খোঙ ওইনা সনা চোঙলেন থান, [5]লয়কু মকোই ফোং, [6]লয়রাই মঙান নাইনা বাকয় হিরাই কংলবাদা লেমলৈ ঙানা সিনলে ঙাসিনলাং, নোইন্নু থুমনা সিনলে থুমসিন লাং. সাবেল সানা সিনলে সাসিন লা বু, হৈরাং মন্নুং ওই, তাউজিং মসিন ফাবে [7]হয়িং পেংলোই নাইনা মকে হাথানা খোইয়া লোংজুম নরগনে। লাইবেল মৈদিংঙু বু থমলা লেরাপান, ইমু ইঙৌপান, চমু চঙৌ পানগীবু [8]কুমওইরকনে হাযনা য়াঙৌ থানে। অতু নোংগীবু লোইদাম অসিং লাংবন থানে হাযদবরা। থাজা কোলোয় মমিং থোংদি অসিস্নুং মদোমদে।

১। ঈশিং চাউবক্লবদা লৈকম লৈবক্তুবদা তৌগী মতোন্দা তোংলদুনা ২। লিন্না ফৈনা লাম্লদুনা, ৩। লিন্না মথেক কোন্না কান্না লাম্লদুনা ৪। কৌশিং কোবাং কয়া তাউবক্লবদা, ৫। চীংখা তমথা অমদি অথাপ্পা লমগী ঈ-পাউ তানবদা লমদা লৈবশিং, ৬। লৈবায়দা হুমিংকী মাঙান্না যৈবদা শেংনা উনগুম মীথাম পুন্না তিক্লবদা ৭। মপুং ফাবরা হৈ-লৈগী মপালদা হয়িংবা য়না লৈহী চুপনুবগা খোইহী পুবক্তুনা মহুম শাবগুম অমদি নমথি হঙাইবা মফমদা হয়িংনা তো দুনা নমথি-হঙাইবশিং চাবগা মপূক থল্লদুনা মথি ফায়বগুম, ৮। যেন্নিং-থা লোইথদুনা পান্নাশিংগী মপূ-ফাবকপগী মতম (থা) অদু ওইবক্লে।

মেরা

লোইদাম আরে মেরা থানে লোইদাম থাজা কোলোয় মমিংথোং অক্কবা, অাইতে তাউহুইরেং নুংনাং য়াইবী'রন সিদবা থাজা কোলোয় মমিংথোং চুনবা, লয়ন্নুং থোংঙা রন অহনবা [1]সরা কংলৈ পুংফাবনা চীংথোং পোইরৈতোন মপারী তবুং সিংমিংনবাদা পাউমেনলকএ। নপল চীংথোং সোইরৈতোলনা থোঙ্গু মুঙথোঙ হাংনসন, মানবী কসোম সন চিবংবা চীংথং সনলাই মানববু মরোং চয়গা তমনা [2]কংলৈ সায়ি তানা থোইয়ম লাই অরিববু চীংথোং নামি য়োকনা বাংবন নসা কননও হায়রমএ। অদু নোংগীবু লোইদাম অরে মেরা থাও তৌনা কৌএ। লোইদাম মের মীকৌ থানে, [3]থাংম্বিনা ঙাতম-য়ান লোইমোম থোইঙাং সাবা থানে। চীংথোং পোইরৈতোনগী মকুম থাবু বাকাউদা, থাজা বানিনদনা লোয়দাম মনোং ওইরব্রবা খুদিংদা মৈদিংঙুগী [4]কুমজিং লোনমায় থক্তা লিকলু থাঙপান চিন [5]চনৌ হুইচিন তুবু [6]কংলা চাকচানোং লাইসনা ফুঙ্গা লাইরু-হম নো য়াই মমাইবনা থাবী মথিনাইনা কাব্রৈ সোকসোন অমুবীচানা সোইনিবা, সোয়য়াম্বনা অমে চাকনা

১। মী তাদবা অচিকপা লমদগী লাক্লগা কংলৈ পুংসিদা নৈববদা ২। মৈতৈ নৈ'াক অসিদা অমুক লাক্লবদা শাগী ঈনা ঈরাংলগা, ৩। ফৌ চবোংনা ঈঙাঙ ঙাউনা জুম জুম লাউনা মহৈ য়াম্লবদা, ৪। অমুবা কোকয়েৎকী মথক্তা ৫। নিংঙোলশিংনা মবুং মৌপুরাবু চাককৌবগী থৌরম্, ৬। কলা ম্বা কোক্তু অসিদা চাক চাবা হুমিৎ।

অমে লোংনা,[1]কোরৌ চিত্তাইফম, কাছা লৌসাংফম, চুপলেন অম। তম্ব, থারৈ কাছা-লাং, পথোম পরাক-সা, চৌংলেন-তম-লেনবু, লৈমা পুনসি-নি, নিংথৌ পুনসি-নি [2]স্বকপু সোইবু নিনা খোইয়ম লামরৈমাবু উসোই ইরাংনা। লেমলৈ অতাই ইরাং মংঙামগী তেকপী ওকপু থিনলে, ওকথিন পুংও কৌএ। লয়ঙ্গুং হিসাবা [3]তানতে থুংহৈবগা বাকয়ৈ অহুব, হিথাখিএ, হিথা-ও কৌএ। তোংজেং নাউমৈ ফাবনা বাকয়ৈ অহুবু খোঙওইনা, অরাং কোবা মেরা লোককী কাউরেন সনচিবু লাংলেন কোংয়াং-রা নিনৈএ। কংলৈ লম্মহন, মালেম সনা লৈকংলা [4]মীউ লাংনফমদা কাউরেন লাইথেং-চন [5]মানবী লীগা-লৌ, তরং লৈমচা য়াংলৈ ঙমবাবু লৈরাং মস্থং-তম, মানবী সনথিন তেংমাই থিনবনা [6]চৈ পিরে হাউকু তংকম থুংলাংপন কানচিন লোনফাবা, [7]কায়রৈ য়েনপু খিংফাবা, [8]খুহু নমথিং ফাবা, মরোং লাংকপ মংঙা ফাংবা খোমলেন মঙদা ফিবু মরোং লাংকপ মাঙইলনা, তেংনৌ লুমায় থাং, [9]লয়নুং অসেবী সচি লাংকাপ্পীনা কম্বী থাদা পমনা [10]খোইজু তোনলোং ইকনা লয়নুং মমাইবী লিরি লিফোংবী, মাঙবাই তুংবাইবীনা মচেং কায়রৈ নাকতা য়েপনা, হাউকু তয়োন-খোম

১। অরাংবা কোবৌথকী খোইয়ম লাইওইবা কাশ্য নিংথৌবু ঈবাং খৌনি তৌফম, ২। চাদা নাউদাবদা অফবা মপোক ওইগদববু পিনবিয়ু হায়না নিজবতুনা, ৩। থাঙ শাবদা থোইনা হেন্না হৈশিংবা, ৪। মিতম উ, উপালবু ঈবাং পূজা তৌহনা, ৫। শন লাববু থৌবীনা পুল্লহুনা, ৬। য়ৈবে ৭। য়েনখো, তম্রক্লবা মপুং ফাবক্লবা য়েনবা, ৮। খুহু মপাঙ্গল ফগৎলক্লহুনা মমান্নবা তুনবা ঙম্নবা, ৯। অমাইবী ওইবী চীংঙ লাইগা ঙমথংন
১০। খোইজু নৈথাম কম্বীদা হাপ্তুনা মৈ থাবগী মৈখু খুহল্লগা।

পিসিন তোমবৰু লিকলাং ঙংকোই সি, চবৈ কিসিনা [1]পাইথু লেংহাননা থিকশেন থাদা হুন কোরৌ পাউফরোই, [2]চীংঙ্ লনসা লোইরবদা, খাবৌ থিয়াখৌ তাউরোই পুং ফনরাক য়োইরেন সলাই তরেংমাগা [3]সনচি নারেং বৈ, হেকঙাই মপাউ চাউ, খিনকাম মনিন নাই, চীংঙ্ কাছা অসেম্বা খোইমোম কাছা অযেংবৰু খোইয়ম লাইমিং সোননা [4]কোরৌ চিরাং তাইরগা লাইরেন মৈদিংঙ্দি নোংদা লাইবেন পাখংবা মৈর খঙবু মায়মু তোমসোন চিন, [5]পাকলোই ঙাংজা থেমদাই যেং, [6]পজেং সময়া খোয়া, তুবী কোকলেন লূফম হেন, লাইরেন সঙদিং মনিঙথম, ওকয়া তেমজিন সাবৰু চরৈ মকা ফোং, শিকলাং মঙান নাই, মমায় হাউরৈ নোংনেম লাইনা পাংনা চীংঙ্ বাছারেন, অতোং অরেং সিদবৰু খোয়মা মাইয়োক্রা খোইয়ম লাইমক সিদবৰু উনবি পুক্রিং চেংনা [7]চীংঙ্ পরৈ থাগোননা তরং লৈমচা য়াংলৈঙমবৰু লৈরাং মতম মানবা [8]মরোং সমথিন তামাঙ ইননা খৌহু মুংখোং হাংনরম চিংথং সলাই মানবৰু তেংনা লুমায় থাংনা [9]খুনবী নোংলৈসংবৃ ঙংগোইননা

১। লে বাহোমদগী য়াম্বকপা পাই (খাউ) অহু যাম্বহুনা ২। চীংঙ্ খোইয়ম লাইশিংবু ইবাং খৌনি লোইববদা, ৩। শনগী মচি নাংব য়াম্রকপবু কাংগা খোংলহুনা, ৩। অম্রা বা কোবৌথক্রা লৈবা লাইশিংবু থুকয়ফম ৫। অপাকপা অঙা বা কোবয়েং ফি য়েংলহুনা ৬। পজ্রেংনা চোইথোক্রবা শমবু তাশিন খোযজিনহুনা, ৭। চীংঙ্ লাইবু কন্না থাদোকপা নৈতনা নিঙজবনা ৮। শন্দা শামুদা শাদা থিন্নবা তাগী তাজিম্মা মাঙলোমদা ঈল্লহুনা, ৯। নো নৈশং মনা য়াওবা মশা মমাম্না নক্তা ছুন্নহুনা.

হাইকুপ সিফাবা ফি,[1] মানবী সনলাই থে না[2] চংলৌ মিংলম থন, মরোঙ চৈগা তম কংলৈ সায়ি তানা তুবী মায়োক্লেএ। লাইরেন মসান কননা থা, লোইবি চৌংবুরোইবা হেম্বা তম্বু থনবা পুন্নমনা বাঙ্গোন পুকৈ লোইহৗ থানে। লোইবী হুই-য়োমসা চুম্বুন লানৈল থম, হুইরোং লুফা চিনবাসিংনা লাঙ্গোই সামু উনবু চুঙনি লাইসম থাং সবিক খিং খিং খিঙ ইঙেল লৈথেং চুঙবু মরোং ঙক্কা হুক লোইবি কোইবে-তা তেৎনৌ তাখোক ওইবা তাবু, তিমেন থাঙতপ পায়, সমু খোঙকাপ তোয়না [3]লোইবি হাউচোং থানে। তেনবী চাকনেম তাংনেম্বনা চেক্লা নকাসা [4]সবা চেঙকোক্ত নীক্লা, নাকা নাপনা তুনং লংলামা নাপা কাফন্ন, বাংলৈ অয়াকপা, হাউদৈ অথুম্বনা তোক্কা লাইগা মেন্না সান্নু হাতাবা, হাতা ফানবা তুবি মমিয়োক্লবা [5]লাইবেন মসান কন্না থা, অসৈ ফমলেনগী তাউরোই পুংলেনবাক্লা তুবি নতিক হায় লাইরেন মঙল সক্লা [6]থাবী য়োইরেনফম [7]মপু সনা যি লংবকোই, ফম্রাংচান লাইরেন সনা মতেংথাবু অসৈ পুরি থোক্লা [8]অ পাক চাদা লাইহুই লোম্নবগা পোইরৈ খু ম্বাং মরিমগী তনবা ফৈবা তান্না কনবা, অয়াং সমু খোঙনা য়াংঙবনি না যাংলৈ

১। শনগী মকোক মবাইবক পুম্বা কুপ্রহুনা ২। মাঙদা লাকপশিং অমদি উগদবশিংবু শে না উইন্দনা, ৩। চীংগী মীশিংনা তমদাকুক্লগা হাউচোংনবা থানে, ৪। মমিৎ মনা ওনখৎলহুনা মশা তনিক তনিক্লা, ৫। লাইবেল মাগী মশাবু কল্লগিবা থা ৬। মাইবীশিংনা কাবা লোয়শঙ, ৭। নিংথৌগী ঈদা চাদা নাউদাগা মচা মনাউশিংনা কোয়না ফমহুনা, ৮। কোক্লক শাৎলকথিবা মপা মপুশিংগী পাবী-পুনীগী মতিক মথৌনাশিংবু শৈথাহুনা শকপা ঈশৈ লোইববদা।

তাউবা হুইবু সমু থুও শু, থাগৈগ তাউব থুক কি, না চুপ
বাঙ্গোন মান থম্লাগবা মোইক,ই চৌগী হিংগাক কুম্বাল লৈগুম্বা
সিংলেন ককৈবু কোকলেন নুফর হেন [1]কংলৈ ময়ায় থায়না
[2]য়াংকৌ লমদান নৱকএ। [illegible] ফমা তা [illegible] কন [illegible] [3]অযাঙ
খোঙনা থোইবসিংনা ছুাব স [illegible] জন লা [illegible] ফম লাইরেন কোদং
অচনবা সনা মখোঙ বাদা বাইখু [illegible] মদ,উ [illegible] ৩ উরোই
পুংলেনবাক্লা তুবি ম [illegible] চক স [illegible] লাই [illegible] চেন থানা [illegible] পুরি
থোক্লা, অপোক চাদা লাইহুই [illegible] লাউবা [illegible] থাক্লা
য়াংমৌ লমজেন থানে। [illegible] মোর মী [illegible]
থানে হায়নবরা পাজা [illegible] মদোমদে।

হিয়াঙ্গৈ

[illegible] দাম [illegible] থাও [illegible] নোংগীনো খোইয়ম
[illegible]লাইমক সনবা [5] [illegible] অপুনবা মাপম লৈসেম্বু [6]মালেম
লৈরেপ ফা, কোরৌ [illegible] লেপ লাইরবগী [7]কানবী অস,উতম
উনথম অচিক থায়না মালেম লৈরেপ লোইবদা, মালেম
লৈসেম থাকলোবাপ, চৌ [illegible] মপুরেন নামুংবদা থুম্না থম্রমএ।

১। [illegible] লৈপুং অমিগী মচা [illegible] থা [illegible] লাক-নাক খোক্তনা, ২। লম্বীদা থোক্লকপনা অক অহেন তান্না [illegible] নত্রগা লমজেন তাম্নরকপদম্বু শীজিন্নরকএ।
৩। অহে [illegible] উডনা, ৪। [illegible] বানবগী মপু শিদবা, ৫। কৌক্ত অম্বম
৬। [illegible] গী থব [illegible] থোবম্বু পু ফাব [illegible] ৭। অচিক অশা থায়রদ্রনা।

অহু নোংগীবু লোইদাম চিকথম হিয়াঙ্গ থাও তৌনা পৌএ। লোইদাম চিকথম হিয়াঙ্গ থাদা তুবি চৌংথোং পুয়োক্কে হায়বগীবু [1]সঙলেন মনিন নাইবা অহুমমানা বাংথৈ কোংবা হিরুবদা তরা চেঙ মচংবু, চেঙজা মায়ছৌ তান, সোইমোম চেঙকুপ সিনা তাংজা লিনহৌ। লৈমাদা তাংলৈ ইরাং থানে। লাইরেন বাকৈয় মথুংংপু [2]বাকৈ হিরাই চেং, [3]সিনৌ মেনগা য়াইগা তোপ [4]লাংগাই সাযা-থাং, শিকরোশ যাউচিক্লা তোংজেং হিযাং কোক্তা এক কায়রেন নাউমা থৈদা [6]তুবি কায়জা চেক, লাইরেন থাখি তন্না তোংজেং হিরাই তেলবদা লাইরেন মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা মরৈথং, চোয়নৌ সনা লাইক থকপু কোকলেন নুফম চেন, বাকৈয় তেংমায় থক্তা তুবি লিন্দুম লিন, মদাইরেম হিয়াংলোই সঙলেন তেংমাই থিনবনা [7]লাইৈ পুংলেন চিন [8]সেনবি নোইনিং খেইবু চেল্লা তুফাং চিন, সনা চাংলেন খান, তোজে হিপূক পনবা পুনমানা [9]সিংলেন লৈক থকপু চিন তোজে নয়াঙ চৌ। [10]অরোংচা হিথৈ পান, অনাউচা দি হিমাঙ চোন [11]তোংজে লমদান হিবু

১। অথৈবা পোয়শঙ, অনাইবা পোয়শঙ, খোংবেল পোয়শঙ লেংশঙ অসিনা, ২। বাকৈ হিগী মনুং অমত্ত মপানদা অমোংপা ফত্তবা শবশিং শিত্তোক নাম্বায়দুনা, ৩। লশিংনা মেল্লদুনা, ৪। শগোল ময়া নানবা হাপ্লদুনা, ৫। হিয়াঙ মকোক মথক্তা, ৬। লাইরেন মমেক গেল্লদুনা ৭। উচেক লাংমগী মতু অহু পোকথক্তা থেৎলগা, ৮। নোইনি কোংবা কংলোগী লমদা লৈবা উচেক্কী মতুহুগা থাম্রাংননা চিল্লদুনা, ৯। লৈপাক পুন্নমক্কী অথোইবা ওইববা ফজবনা লৈশি দু চিল্লদুনা, ১০। লাইস্না ফমলুপ কাবা মনাইশিংনা হিগী হিরাউ শায়গা, ১১। তাম্না হি অহু।

বাকৈয়ে তেংমায় থক্তা হুয়েন লান সমসাং পানব কৈয়েক লবগা, লিরেন মাকা ফল্লা খুদোপ ঙাইজা ম্নেক খোয়মা মাই-য়োক্লা, বাকৈয়ে মাঙদা হোন, অহোঙ লোকলাউ পুংগী তোংজেং হিখাউ সানা বাকৈয়ে হি হোনলক্লবগা খোইযম লাইযিংথৌ চাখাবা লাংমৈরেম্বা, লাইজ মহি থেনগী বাকৈয় হিব মিকোন খংলকএ। লেমলৈ ঙামি কোনগে লাইরেন মৈদিংঙু দি খোই-মোম লাইরেম্মা লাইজা ইরাই লৈমগী মোংবা ম্মিমদাংসাং মালং নোংসিং থোঙব মিংয়েং সানথৈখিএ। খুবাই পনমা খা, বাংথৈ পনমরু লমলেন লমদাংসাংদা লানলোই লমদান নরক লবগা তুবি বাকৈয়ে খোংওইনা [1]থাৈরি লেমলৈ ঙা [2]পাংতোন কোনদোন ঙাব বাকৈয়ে হিকু মুংদা লেমলৈ ঙা কারম্লবগা বাকৈয়ে মরাংহৌ [3]তোংজেং মনিন নাইনা বাকৈরে হি কারম্লবদা ল লেন খোম্বীতোক উঙামপৈগী বাকৈয়ে হিহোন লক্লে। লাইরেল মৈদিংঙু তেলহৈবা, বাযবা তেনগৈ খাদা লাইবেল খুদৈ মায়তৈ লমদা বাকৈয়ে হি কারক্লে। মোংবা থাংঙা লপয়ান কাদা বাইথুংলবগা খাবী থিয়াথৌ তাউরোই পুংলেন বাক্লা তুবী চিংথোং পুয়োকসৈব [4]লমওক মীকোন সক্লা লোইদাম [5]কুম্নী বাকাউদা থাজা বানিম্মনা মৈদিংঙু [6]মদাইরেম পানবা কৈসকপা

১। গুপ্ত মায়াকৈবোমদগী কাবকপা ঙা অংহোবশিং, ২। পাংকী মপাল ঈশিং অথেনবদা লৈববা মচাশিং, ৩। হি অদুদা মীযাম্না তোংলগা নৌ পায়দুনা তাল নাইনা পাঙ্গল খোক্লা হি অদু হোল্লক্লবদা, ৪। খোইজু লমওক কোবা শৈলক অদু শরুদুনা (খোইজু লৈথাম মাঙনা মৈথু থুহল্লগা মৈ ওক্লদুনা) ৫। কুমগী মতম ওইবকপদা চংনবকপা অদুবু মতম কাম্নইন্দনা। ৬। নিংথৌগী মনাই ওইবা মপাঙ্গল মথৌনাদা কৈগুম কল্লবা।

কৈরেন তেংথাবা তনবা কংলা কাউনরোই মসেনবু [1]খোয়মা মমায় লৈদবা [2]য়ামজেং মনম মূকতবা লানফম মাইয়োক যানা [3]মানবী চীনৈ কনবা কাউরেন লাইথেংনা, ভাউবা চীক্কা কনবা হুই, অয়াং কুচু য়েনগুম্না কাউনা কনবা, ভিমেন থঙুং থিংনা তুবি মক্কক থাক থুঞমনগী, [4]তনবা থায়াং মথোমনগী হিরেন কৈসা তাম্না, তনবা থাঙলোন চনবা খোইয়ম থায়াংলোন ওই-থিবাসিংগী লানলোই তো অাচি ভাঙন চন্না থানে। লাইরেন মৈদিংঙুদি তুবি কংলা ফম্মোইমিং কম লাইবেন ফলাংমৈদা ফম্নবদা বাকমৈ হিয়াঙ কায় কোকাই মোইভা শক মদাইরেম অখম মীপোকপা পুয়ামাবু [5]বাইরা সাসিংথা [6]হুয়েন লানসিং থীনা পলেম মমা পোকমাবীগী তনবা কোকলায় মমিংথা কংলা ভাংনা চন্না খোইয়ম পাউত্তাক থানে। ফম্মোং ইমুং সোয়-য়ায়মদা মৈদিংঙু মদাইরেম হিয়াংলোই, মৈদিংঙু লোই, তোংজেং হিপুক থনবনা [7]লথকু থমথেংদা [8]লবাক চুপথৈদ, বাকমৈ ইকুচাউদা লাইজা ঈরাং হোদনা মচল মমুথোং মেনমু

১। মমাম্নবা থেংনবদা মমায় লৈবা লৈত্রবা, ২। মপুক্কিদা অকি তুজুং পোক্তনা পুক্কি হনবা লৈত্রবা, ৩। শন্ন অাবা মবিল লৈবা পাঙ্গল ফগংলকপনা মমাম্নবা লাবা অমগা থেংনবদা পাঙ্গল চাংয়েংনবগুম কম্ন কম্না ঈনদুনা য়াংনবা ৪। মপাঙ্গল মতিক মথোনা উংল্লবা অদুগী ৫। মহাক্কা শাদানবদা ফাখিবগী শা মশিং কম্না ভুববাগ হায়বা মশাীং থীরদুন ৬। লান থেংনবা য়াওকবদা লানফম মশাী কম্না চ্নকথ বগে হায়নদু মশাী থাবদুনা ৭। লৈকু লৈবাইদা হি অদু থেংহন্দনা ৮। লৈবাইদা থেঙ্গদোবে হায়বা লৈতনা ঈথায়দা চুম্না হোম্নদুনা।

খুৎয়োন থোংব, ভয়োন নাতৈননা তুরেন লাইজ ইরেনকোন নোংবাল্লোন নোংমোইম্ন অহোঙবী তুসাকোন, মৈদিংঙ লাইরেন [1]ডাংজোই য়োইমোংবা তুদে'কোন, পাউনম ইরেনকোম্বা ডাংজেই য়োইমোংবা মথোঙান নোংমাইনু অহোঙবী মরককৃগী তুবী হিনা মেঙবা লাইরেন মমাই য়াইনা ফাবনা চেংপৌ মিং.কায় ফাবা য়াইফা থোঞ্জেন তানা বাক'য় লুনা ওল্লক্লে। লাইরেন সনা মথোড থাদা [2]থোইয়ম লাইবাউ তম্না থানে। [3]হিয়াঙ কাংদং য়ৈনা [4]তোংজেং খিতা বাবি থানে। [5]নোংলেন ঈমৈ থম লাইজ। ইমায় লোম্না থানে। ক'লৈ মদাইমা কপা সংজি থাথবা মৈরম নোংপোক পাংবদা হাউরী হাউরা তিন্না, য়েনখোং যেন-স'না অচিন অমাংব, চীংহৈ লেনহৈব, থায়ফম থাময়ান নোংকাপ থানে। অয়াং লেমথোং, পাথবা তিংথং মায়ফুরোই অয়াঙ তোবান থানে। লাইরেন মৈদিংঙনা অহিং ইনুং সোয়য়াইমদা তুবি সংদিং লানলৈথেম লানপোৎ মঙান নাইনা চরৈ ফিমু থাউওন্না [6]নোংপাক কাম্বা সিনহৈবা মচুড থড [7]কম্বোং অতেরা সিনহৈবা মথুসা [8]থেপানথোং নানতৈপা চুড, [9]চুঙলেন নানি

১। য়োইমোংবা তাউথিংমা অনিনা তুবল তেংলকপদা, ২। থোই-য়ম লাচগী মতিক মগুণ থাদুনা শকুবা থানি ৩। হিগী হিবাম্বা নৌগী নৌ-থোক্লা য়ৈবা, ৪। ঈশিংদা হি থাবগী বাবী তৌনবা থানে, ৫। নোংজু-থা মতম লোইবক্লদুনা ঈশি পিকথবকুবা মতম, ৬। নোংপোক মায়কৈদা লৈবা মথুং মশা হৈরা, ৭। থাংজা কম্পোংগী কাডব খুৎহৈবা, ৮। চুডগী মপান থংবা শরুক মথৈদা অমুবা মচুগী বে হৈ'দুনা শিং-শিং নালহল্লনা চুঙ ৯। চুংগী মতোল থংবদা মচি অনি লোঃহল্লবা অদুদা।

লোঙবদা চুঙলেন লাইসম থাং, [1]ইংঙেন লৈথেং তয়বা সনা কোনথাং য়ায়দা হেনফবা চুঙ, ছুবি তিমেন মখুংস্থবু [2]তাসোন য়েনলৈ থিনফবা, য়াংখু সনা য়েকপা, খেরে ভক্ষা থিনবা তায়ায খোংনৈনা নানৌ লীনা তাউথঙবা তাবু তিমেন খুংতা শুনা লাইরেন থাঙলেন মখুংস্থ, [3]লানথাঙ মরাই ফববু নাক্তা য়েপ্পা নিংথৌ পোংখুবনা মংলিং বাই লৈমা পিথাইনুনা মংসং বাই মংলেন অকুংপদা পুনুং মংলেপ য়ান, চংবী লাসম ফোয়না হুয়েন লানমিং থারম্রবগা মৈদিংঙু লোইয়ম্বা চেংজা নুঙ্গোইবীদ বায়য়া সামিং থা, হুয়েন লাম্মী কৌনা মংলক লাম্না য়ান, য়েন্দেম থরাম সোইগুম্না থোংনাং তখেন নিংথৌ ময়াং লৈকোয় ফম্বা [4]অবা তোংদোয় নিংথৌবু হুয়েন লানজন থানে। মৈদিংঙু মদাইরেম হিয়া লোই, ইমিংলোই থংজিং মখোল্লাং অদোন কাউজেং মোইবা চম্ব লনউন খোক খুথারম লম্মোক চৈ কেকে মোইরাং লম্মাবী লম্মা চাউফাবা চৈ, লাক্লেন হিথা চৈ, কংলা মৈচন খোক, চেংলৈয়াংথৌদৈস্থগা থোংনাং ময়াং লানলুকাই সিনহৈবগা সাবা চুম্বুন য়েংনা সরিক খিং খিং থাংনা লৈরক থোগ ই চৈবু কো য়াং লে দা থোংনা লোইদাম হিয়াঙ্গৈ চৈহৌ থানে হায়দবরা। থাজা কোসোয় মমিং থোংদি অহুম্বং মদোমদে।

১। ইঙ্গেল্লগুম উচেক মতু থেংলবা, ২। উক্ত উক্ত লৈবগা থিনখিবদা শোয়ক্ষদবা টা, ৩। মতিক মগুন লৈববা খুংশু থাঙ ৪। ওবা (বমা) লৈ রকী নিংথৌ তোংদোই কৌববু হুয়েন লান্দা মায়থিবা পিনা থানে।

পোইন্নু

লোইদাম উনথম পোইন্নু থা কৌবদি কদৌনোংনিনে।
[1]চীংঙ, খোইয়ম সিদবনা [2]খোইয়ম মপারী অহুম সাংলবদা ইপারী অহুম্মানা খোইয়ম ইত্তিক অরুবাবু কনান। মসান খঙুমগবনো হায়না খোইয়ম মসক ওন্না অর্বা কুকুন চীংমঙন্দগী সাম্বরকৈদা মপারী অনীমানা খঙুমগবরা খঙুমদে। খোইয়ম মপারী [3]সনা খোমদোন অত্তোনবনা চীংঙ, মতিক খংঙম্নবাগী উনবি পরৈ চেংনা থম্লমএ। অহু নোংগৈবু লোইদাম উনথম পোইন্নু থা য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা লোইমোম ফৌওইবী থাঙমৈ অহোঙবী লোইমোম অচৌবী, তাইব য়োইয়াক ফৌবু, থাঙবিনা ঙাংদম য়ান, লোইমোম্মা ফৌডাং সাংক্লবগী ওয়ম লৌরমচা তরা চাদানলোই, [4]ওয়ম লৌখৈ থাঙ [5]মচিন শারং হাইন্নু মানবা থাঙ, মথৌ কোনবী হৌবা থাঙ নো পোক চক্লাই থাঙ তোনগোনবা [6]ময়া চাতরেং হুমফুমাথোই পানবা থাঙ, [7]ময়া সেকপি য়াত্তা নবা ঙাংঙোই মুরাবী কানা থাঙনা [8]ওইত্রে

১। তেংবান গী মপু য়াইথিবেল শিদবা ২। অতিয়া শিদবনে, সনামহিনে, পাথমনে অগুম্মকপু পোক্লবদা ৩। মপারী অত্তোনগা পাথবা কৌবনা, ৪। লৌ পান্দোং থাওম্নবা থাঙ (থাঙ্গোন) ৫। খুত্থ থব উচেককী মচিশগা মাননা কোম্থনা তুম্বা থা ঙাল, ৬। থাঙ্গোল ময়া মশী দা ৭৩১ শুনা য়াংপা থাঙ্গাল ৭। থাঙগী ময়ানি শেক্পা কোবা উচেককী য়াত্তা মানবা, ৮। ফৌ পান্দোংবু ওয়থবা খুৎনা খোমদুনা।

সমগা খোম. [1]য়েৎত্রৈ থাঙগা হাই, [2]লোইমোম থাংতপ মম, থাংস্নি পানগা ফোরবদা মরোম্ব তাইবি খূৎল· হোনা সাবা [illegible], সোংপু লাইর কারিং ফকপু, [3]ফক্লোং চরাই থানা মামসু লোরম চম্নুসিংনা চবৈ থাঙচেৎ মচি লাংনা [4]ফোবোম চৌংবু পৈ, তনবা তম্বম লোরমচা পাখংসিংনা উপন চৈরোং ফ নলা থাংস্নি চাদোন হাই. লোইমোম পোপতেক ফু, পামেল [5]উমায় কোন সাফবনা লোইমোম ফোম্বিন চৈন। থাংযি চিগা পৈ, য়াম্লা হুমাই মাইরেং'হা লোইমোম ফোমাই সং, পাখং সংবাই নারেং তম্বনা, লোইমোম ফোরম চেন, চংবী কেরেন থম্না, লোইমোম ফোকারংগা ?মদিংডংগী মদাইরেম, অমাই সুম-দাং লাংনা, কম্বী মৈগ. খু, বাইসেং ফাম্না ইক, খোইজু তোলোং ইক্লা মরি খোমগা হান, সিং সিং লাগা য়োম্না, ফিমু লৈকম সিনা, [6]মচেং কাম্বরৈ য়েনমোম অমুবীগা, তেকপি ওকচামগা [7]তাউজিং হৈরাং ফো হৈরিগা [8]হৈসোয় যুপান হোনা, য়োইবু খোইমোম ফোওইবী. [9]লোইমোম ফোমি. য়াখী. থা ম্নি চামিং হকপিবু, লৌরি সেন্দাইমুং, খানলৈ লোকোল মুংদা তেকপি ওক খোঙগুন, কাউরেন সন খোঙ্গুন [10]লিক্লা উনকোয়মুংদা

১। থূৎ য়েত্তা অকোনবা থাঙ্গাল পায়বগা হাইদুনা কোৎলগা, ২। ফোগী ফোবালব মযায় থাংতম্লা থাওদৎলদুনা, ৩। য়েনফক অপাকপা ফক্লোং থারদুনা, ৪। অথাউবা ফো পান্দোংশিংদুনা চৌঙম বা না পৈরদুন ৫। ফোয়িস্তোক কোবা মচিশগী মযায় কুংনা হোত্তোল্লবা, ৬। যেল অমোম অমুবী অমা যাওনা, ৭। ফো হৈবী কো। হৈবা. অশিনবা ৮। হৈ মযাম থাধদুনা হৈরুক ওইনা কংলগা, ৯। মমিং মথল যাম্না লৈরবী ফোগী মমি. মযাম শৈথাদুনা, ১০। লৌবুক্তা তাদুনা লিক্লা থাডদুনা লৈরবা ফোশিংদুবুসু।

য়াতারিবীবু [1]পোইন্নু লোইদাম ফোগা থানে। লোইদাম পোইন্নু থা থাবা উনলেন হীবু চকমোম লংজ কোই অঙৌন, লহান মালেম তম্পাক লৈহৌদৈদা চাখা খোংজোম্বা পুন্নুং হবাই থাববু সশৌ মখি চংনা য়েনলাং মতা লায়া পুন্নু মাইক য়ান-লববু [2]সামদোন অয়াঙবনা পুন্নুং লাবু হবাই লাবু নংথং বাগী ওইখি উন, তম্ফা কোরৌ অরাপীনা লাংজন লাংতান বায়না কোংলৌতোন লৌথিবনা [3]হউ মুক্তা লে ফাই চন্না [4]বারোংনরে। অহু নোংগীবু কোংলৌতোন লৌথিবা বারোং উন সামদোন অয়াংবা খুংথি উনও তৌনা কোএ। থাবা উনলেন কায়ও লানম্নু চাঙৌবিক্লা মালেম মনম সীন্না চরৈ ফিঙৌ ফৌগুম্না লাইজা ইপাকথক্কী চমগা হৌনা, হায়লেন লৈচিন সিফা হুন্না থাবা উনলেন চৈহৌ থা, লোইদাম পোইন্নু উনলেন থানে হায়দবরা। লিক্লাই নিংথৌরেলও থাজা কোলোয় মমিং থোংদি অসিপুং মদোমদে।

রাকচিং

[5]লোইদাম কুমজা মাইকবা অতে তাউহুইরেং [6]নুংনাং থাই-বীরেন সিদবা থাজা কোলোয় মমিংশ্খাং নিংথিবা লোইদাম

১। পোইন্নু থা অসিদা য়ুমদা ফৌগেদা চনবা থা ওইবতুনা, ২। সাম-দোন অয়াঙবা কৌবা মশা পানবা শগোলনা, ৩। মথোংদা লোংখৌ চন্নগা মুক্তা শাজেন শৌতুনা, ৪। শাউনবে, ৫। অতিয়া মকোয় শেংশ থা ৬। তেংবানবগী মপু ওইবা শিদবা।

রাকচিং থাও কৌবদি কদৌনোংগীনো খোইরম সিদবগা, খোং-মোম লাইরেম্মগনা তাইবং নোংসাপানগী থরায় নিংসা পাল নিবা পুম্নমাবু নোংদম্বীগে হায়বগী চৌংঙ, খৌজাল লিয়েংনা, [1]লৈরাং যিমজংনববু [2]অরা হুইরাং সোনবগী, চৌংঙ, সমু হক সাংলেনবু পুঙমদরবগী খোইরম লাইয়িংথৌনা চৌংলেন নামুংন্দা অরা ইসৌ লাংনা থাঙলমএ। অহু নোংগীবু লোইদাম অরা রকচিংথা [3]ইনথম থাও তৌনা কৌএ। য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা মালেম তম্পাক লৈমরেন সিদবী পায়মা সনা উন-কোয়ডংদা তাইবংপানলীবা পুম্নমাগী নোংদম্বীগে হায়বগী য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা য়ারা থাব, তাম্বোং লম্মিংচুম্বী, লেমথো-লম্মে হনবীব, লাইরেন মৈদিংঙুনা কোলোয় থাসিনবনা লাংহৈ সিনদিন্নরা, খাবা উনলেন হীব, সৌংনগে হায়বগীদমক [4]অয়াঙ হুমফু মাথোইমবু [5]ঙাইরোইননা লোইদাম কুপসা থানে। য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা চিনফুরোন লম্মাবী, লানলোই লম্মিংচুম্বী লেমথোং লম্মাই হনবীনা লাইরেন মানজা অরানবা, কোলোয় ইতাবা নডব, মালং য়েংতৈরে লৈবনা থমকোন ওইতৈরে গুম্মরা অহিং খোমলেন মংলান চানগুম্বব, লমওকুগে। য়োইব, তম্ফা নসানৌব, চরৈ য়াকু তৈনা লুম্লাং থেঙ্গোই নিকপিঙমও। য়োইব, সলাই তক্তকমাগা [6]মোংবা চংলম ফানসাং ঙানবীসিংব, নাপা

১। তাইবং পানবদা লৈবিবা পুম্নমক অসিনা নিংথঙ্গদগী ময়ুম ময়ুমদা অমদি মশা মশাগী মপুক মনুংদা মযোম রাখল হক্তিম্রা লৈনবিড়েদা (তিম্নরিডৈদা) ২। যাম্না রাখিবদগী, ৩। নিংথমথা হায়না কৌনখি ৪। হুংশিং মথল ৬১ মক অসিবু ৫। লোয়ননা ৬। ময়ুম মগাদা লৈজবদা যুমগী মতিক মগুন হাপ্না নিঙথিজরবী হুপীশিংবু।

খুৎফু থোনবু নাতা রমগনো। [1]তরা চামাংদা [2]লাইজা ইমাংদা তারা য়েনসোইদা সংলৌ য়েনমাংদনা, হিদেন চংলৈ খুদি দা থাবা উনসিংনৈএ। অয়াং পানফোবা খোংচিং য়াথোকপদা পমওরুসে হায়না, মাপং অয়াওবা, খমগোন অহঙ্বা য়াইবীরেন লৈচিন নোংকাই য়াউ। য়োষময়াই লাইরেন তাউদনবা লোই- দাম থাজা পাখংবা থবাই য়াইনিংথৌ লাইজা ইরৈমা লেয়ে ওারা ডাথৌয়াও, খোইয়ম লাইকপ তরেৎমন। লোইদাম মপুং ওইরক্রবগী তাম্মোং লেমথোং চন,, [3]থাবা লমউন থাওনথা, তাউরোই কুমসা পুংবু মৈনা বাইনা মুংবান লুবাং, সেলোই পমাই, খেন্দে চাইরেন, হৈরেম থুঞ্জান, কেগৈ মোইরাং, নোংয়াই খুমন, পোইরৈ মৈতৈ পুম্নমনা, হৌন মরমচৎপু রকাউদনা [4]খোইয়ম লাইয়িম চওনা উনবী পুক্লিং লেপ্পা [5]সামন লৌতিম্না অয়াং খোংচও মুরাবী চিনফু রাইনোং তাউবীবু কোলোয় [6]সিনপান্না লাংৈথ সিনদিন্না তাম্মোং লেমথোংথক, লেমথোং মতোল লোয়্নদা লাইরেন মৈদিংগুনা অয়াং হুমফুমাখোইমগা ও ইরোইননা হৈনা য়াংমু তোম্বাংনা, ওইমু খোরলোয় থেং, লাংমৈ পুংদোং চিম্না বাংখোলবী অয়াং লমকৌ পুগী লমগা হৌনা অযাও পমদাননরকএ। য়োইবু খোইমোম লাইরেম্বীবু বাঙাল চেগ ই ছু। ল থাই থানে। লমসেন ফেনথাম সচ, থাম সও

১। অমাংবা চাক চাদনা, ২। অমাংবা ঈশিং থক্‌না, ৩। লম্মাং তুহাং থাক্‌না কুংনা তারবা উন মতুবু থাওনবা থা ৪। চীওুখোইয়ম লাইবু থুরুনজক। লাইশঙবা চঙলগা, ৫। পুক্লিং হকচাং চপ য়ুংনা নিঙ্গলহুনা, ৬। মথৌ মথৌ মশিন্নাং পুম্বা শুননোম্নবু পনহুনা।

লম্মাহন্দা। [1]লোইমোম ফোগা পোক [2]তরা মায়পা নবীবু য়াংলো ফামা হুন্না তরা চাম'ঙ থানে। থোইমো য় মরনকু চীংঙ্ মখোঁ-জানবু লাইরেন মৈদিংঙ্দা [3]য়োইনা লনকু থানে। লোইদাম মঙুং ওইগুম্বী থাজা ময়াই কারক্রবগী অহল মতম ওই, হন্নু ময়াই কারক্রবনা অরা ইসৌ লাংনা রাওইথা, মোমনু হন্নু ময়াই কারবীস না লোইদাম মঙুংওই নোংলেন চাইজি ইনৌতা তন্না য়েন্নিং চোংলক্রবগী পামেল মতৌ য়েংনা [4]ঙুংওল থানে। তইবং হঙু হনবী পুন্নমদি খাবা উনখৈ কায়, পানম্ন চাঙৌ লীক্লা পন্থেং খোনগী হয়কোয় নিংথম চন, চুবা ঙৈচা নীক [5]ফুঙ্গা লাইরু মুংদ খুকপু নমথোং থা খোংবান নাউবা তোঙ্গাই লোই সুমায় কাংথোম লোইদি নমদা হুন্না, লোইদাম কুমসা থানে। মপন [6]ঙুংবান য়োয়েংবীচা চীংয়াইথু য়োংনাউ, য়োংনাক্ত সাথিবু খাবা উনলেনবী চানা [7]য়োংমু মখুং খোই, থা ময়া চিক্লা পন-থংলবগী য়োংমু পাঙ্গল সোনলে। [8]তনলা চেন্নগা ঙমদা [9]হৈরাং অসং য়েংফদা তাউজিং অমুন থনফদবগী প্রামেল উইঙ্কে থক্লা কোরৌ থোইনা য়েং, বাংবল পাংনা য়েংনা রাওই থা।

১। ফৌ মচংবু মৈদা থাঙ্গত্তনা করোক পোক্লগা, ২। অঙৌবা নিঙথিবা চেঙ মচঙবু, ৩। লাইদা কৎলুববা পোৎলমশিংবু নিংথৌদা কচ্ছ থানি, ৪। পুক্রি নৌজবা থানি, ৫। ফুঙ্গা লাইরুদা নিংথম্বা থাঙবদগী থুকউ গুপ্তনা থাঙনবা থা, ৬। অরাংবা উপান রাপালথক্কদা লৈবা, ৭। য়োংমুশিংনা ঈংবদগী মখুৎ মশান্থ পঙশিনবা ওইবা মতম ৮। উপালদা থুনা কাখৎপা ঙমদবা, ৯। হৈবাং অশংবা চাদবা।

[1]হাউনা ইতোন কং, তিঙ্গোই মরাই সি লাইরেন মৈদিংঙ্গা য়োইবু মসানোগা, য়োইহৈ সনাই মংঙামগা পুম্না হুপ্না কমথৌ মঙাইরোই নিংথৌ মখিসাং মচেং পাচা মা কায়রৈ য়েনলুম্না পোইরৈ থাংঙা নিংঙোনবী পুম্নমাগা, লোইদাম কুণ্ৱী বাকাউদা থাজা বানিন্দনা বাকচিং লৌরেম্না থোমদা লম্মাহন্দা থানলৈ লৌতা থা, মপন লাঙ্গোই লৈরাম্নীচা সামু লুবাংবা মোইসায়া য়াপানবগী লাঙ্গোই সায়াং থক। [2]হেন্নী নৈমাখুবী উরা পোংমা ওইবীনা লাঙ্গোই সায়াং থক্তা তোংনা থানলৈ লৌকোয়বা থা বাকচিং লৌতা থানে। মদাইরেম কৈরা তান্না কনবা অয়াঙ লেমথোং পাখংবগা য়াংলৌ লমদাম্নেএ। লাইরেন মৈদিংঙ্গদি লাঙ্গোই সাথৌ থোই, থোংলেন মীকোবমদা লানলোই ময়াই থায়না কংলৈ পুংমংয়ান্দা বাইথুংলয়ে হায়দবরা। লোইদাম কুণ্ৱী য়েংওইননা কুমথাই থা য়োইময়াই তাউদনবনা অবাং লাইনা পা না [3]মুমিং য়েংওইকা মসাবী [4]থাজা পাখংবনা থাজা ওইওই গুন। লোইদাম বাকচিং কুমথাই চৈহৌ থানে হায়দবরা। থাজা কোলোয় মমিংথোংদি অসিমুং মদোমদে।

১। হাউনা হগী মতোল কংবা, ২। নিংথৌগী ইবেম্মা অহোম্বীশিংনা
৩। মুমিংনা মালেমদিগী য়েংলোমদা লৈবক্লবা মতম (দক্ষিনায়ন ওইবকপা)
৪। থানা মালেমগী ওইথংবোমদা লৈবক্লবা মতম (উত্তরায়ন)।

ফাইরেল

লোইদাম অসিং ফাইরেন থাও কৌবদি কদৌনোংঙীনো। খোইয়ম লাইশ্লিংথৌ মালেম তম্পাক লৈসেম্বা, তাইবং মপুং ওইহনগে হায়বগী থয়ায় নিংসা পানলিবা তাইবং পানবা পুম্নমাবু [1]হাথা পোংথাগে হায়বগী ফাইরমএ। খোইয়ম পায়মা মনিংসা ম লং য়াইবিরেলনা মালেম তম্পাক লৈনেমথকী থবায় পুম্নমক্তং [2]মালং য়াইবী চৈরোইননা হুজ্জিনলক্লে হায়বগীদমকপু লোইদাম অসিং ফাইরেন থাও তৌনা কৌএ। লোইদাম অসিং ফাইরেন থাদা কুম্বী বাকাউদা থাজা বানিম্বনা লৈমুং চেনবাইমৈ, [3]পোইনাউত্তা খুনফাউ মৈ, পিসিনহুনা বাইরৌ মৈ, য়োংতেবা মুংখোঙ মৈ, সায়াবনা বাইরৌ মৈ, খাম্বী মৈত্রেং অরাবা থাপুং লাই পুং, উকোঙপাং, চৌংনামুং, চৌংঙাংলেন, চৌংঙা লাংচিং চৌংলেন থাম্বী মৈখোঙ তরেংমদা লো'ইহং ঙম্বীচা মৈনম অতোনব অদোন লোথাম্বনা অবাং লানস্থ চৌংন মুংদা [4]নাকপক নাক্তং সারোন হু [5]লম্মৈ লমজাউ মকা ফোংনা লোইদাম কুমসক থানে। অয়াং ফমথকচা থোংপু চারারোয় সমু পাজনবা চানা চুঙলেন থাগা থা, মৈবা য়াইগা চন, মৈয়েং থক্তা থোলনা,

১। তেংবানবগী মপুনা মী শা ডানচিংবা থবায় পানবশিংবু লেম্নগে ওইহল্লগে হায়বগীদমক, ২। থবায় মশকা লোয়নবা মালং হুংশিংকা লোয়ননা, ৩। পোইরৈতোনগী মতমদা হৌবকপা মৈ, ৪। লোইবী চৌংজাউগী নাকল নাকপাক থোম্মা, ৫। লম্মৈনা লমজাউদা চাকপা মৈবিনা মকালাম্মা।

লাবা থুংগী তোরাই চিংনা সমলৌ মৈনা, চানা লাংপক লাংখোং মথোল হুনা [1]লা'চৌং কুমসা থানে। য়োইবু চিনফুরোন লম্মাবী মাইখু মৈ, থাপুং লমওন মৈ, সাইপুঙ লমথাং মৈ, লমলেন লম কোকচাই অরাং লানস্থু, খোংখোং মৈনা থাম্বী মরাঙ হৌ চকমোম মথি নাইনা লোইদাম কুমসা থানে। অরাং কৌবা লৌচিংকোন চৌঙ্গোন কোনলাং মৈদা হৈনা য়াংমু থাম চেঙডা চৌংবুনসি কৌবা লৌচৌংকোন্দা হৈয়ৌ যুতংউ, ডাংজেং থেন-পাহদা মদাইরেম রাইয়া সাসিংস্থু, হুয়েন লানসিংগুবদা [2]পজেং খোম্মা খোইবা, [3]ফিরাল নাম্মা হেনব, থুদাং য়াইজৌ সি, থুবোম য়াইসিরোন, য়াইনম মসিংগুবা লুপা খোঙ্গাই মতোন লোম; মৈবুল হাইজাউ থানবা, চকথাঙ য়ারোং ফায়', তুবী মাইয়োক কয়', কংলা খোঙকাউ চাকপূ তানফংলবসিংনা [4]রায়রা সাখৌ সা, [5]হুয়েল লান থৌসাবু তনবা কোলোয় মমিংখোংব, থেনপেন পুঙ্গোই লেপ্প' চুঙলেন থাগুপ হৌনা, তিমেন ডানোই চোং, থাঙলেন লুময়ায়া থিং লৌ নিঙনা তেররুবদা মদাইরেম [6]পানবা কৈসকপা কৈরেন তেংথাবাসিংনা য়াংলৌ লমখৌসা, তাউরোই পুঙলেন রাক্স চৌংখোং লানথৈ সক্স থাবী থিয়াখোনা, সনতি নারেং য়ৈ, কুরুং পানগা য়ৈ, হেকুঙাই মপাউ চাউ,

---

১। থরায় পানরশিংগী মকমদা লৈরা হোৌরবা লাং য়য়াব থাক্লিবু থুনরুবা প্রুকি হেদৌ কানরা থা, ২। পজেং ফিরাল ফংকী মথক্কা অমগা অমুক-কাপ্পা সংবা, ৩। ফিরাল নায়মা ফংলবী মথক্কা অমগা অমুক কাপ্পা ৪। শা ফাবগী খোশা, ৫। হুয়েল লাম্মারমদাইগী খোশা, ৬। পানরা কৈগুম মপাজল মতিক মখোনা লৈরবশিংনা।

থিংকম মনিন নাই, চেপ্পী কৈনা হাই, তুবী মমিয়োক লাইরেল মসান কনগী, য়োইহৈ নাকনবীনা, [1]মনু লাইহোই তান, খুংচুপ তেনলী থোক, লাইবক তেনবুম থি, মৈদিংঙু মদাইরেম ছুইত্রোন তেঙ্গাই রোইনা কোংয়াং মীয়ু ওই, উরুপ কান্দোং ওই, উকায় পানগা পায়, লাইরেল মৈদিংঙুনা ফমথো মঙাই-য়োই নিংথৌ মহিসাংগা লীরী থমোই তিং, লকা তেনমৈ লাক্না বায়রা সেঙ্গম থোং, [2]উকায় পানগা তম্না, লোইদাম কুমসা থানে। লাইরেন মৈদিংঙুগা অঙোবা তুরেল বাংমা নিংথৌ কংলা ফানথোন তৈনা থাবগা, ফমথো মঙাইরোই নিংথৌ মহিসাং, [3]পোইরৈ খুম্বোং মরিমাম্বং পুন্না ছুপ্পা লোইদাম কুম্বী বাকাউদা থাজা বানিন্দনা কায়রৈ অকন কাউ; মুংয়েংচেক, কৈথোং কাম্বা য়েন, চক্লে কাউ, নোংদম য়েনবু, তেংনৌ ফ্লেনথাং পান্না কায়রৈ থোঙ্গাওকন, মচেঙ য়েনসি লোক্না লোইদাম কুমসা থা। লাইরেল মৈদিংঙুনা কংলৈ মদাইমা কুচু থোন-লাংমৈদা লীরী থমোই তিং লকা তেনমৈ লাক্না সউন হাইকাপ থা লোইদাম অসিং ফাইরেন থানে হায়দবরা।

লোইদাম থাজা তরানিথোই মাবু [4]পোইরৈ পুবারিবু বাকাউদা [5]ইরেং পুবারীবু বানিন্দনা থাজা কোলোয় মমিংথোংবু

১। ফত্তবা ফত্তবী ওইববা তিনমু লাইমু মনু চংবীনচিংবা লাইশিংবু তাম্বোক্লবহুনা, ২। উকায় কাম্পদা তেঙ্গৈনা পানগদবা মফম য়েংহুন। ৩। অহল্লপ নাহারুপ বাবম লাইফম খুম্বোং মরিবু, ৪। মৈতৈ লৈবাক ঘসিনা লৈরকৈ থামনদগী মচা মশুশিংবু চাদা নাউদারকপগী থরাইদগী মকোক ওইবা ইপুশিং অহুগী অরুবা অচেৎপা বারীবু, ৫। ঈ মথং মথং লংথরকপগী মকোক ওইবা ইপু অহুগী বারীবু।

অসৈ তেংথাজরম্বনে। [1]লঙজ অম্বোনবা খৈবিক ঙাকপীঙৈনে; ে
লিক্লাইও; ইপুংথৌ নোংথোৱেল পুমাবাও [2]নদাইৱেম চিনকো
ইৱাকমানা [3]নোংনেম লাম্বনা পাংবারমগী কংলৈ ম্বাকোন
লাইৱেল সজাই নকোনলোয় ফুংঙাইবদা হয়িচা হয়া লাউনা কে
সিনলমগে, হয়িচা হয়া হে হে হে হৈয়া হ রি ও ॥০॥

১। লানথিবা শোযথিবা পুম্নমক, ২। তোল্লবা ৱাঙাঙ শাঙাং হৈহ
ত্রিবা ননাইনা, ৩। ইমায় অমদি ইপুকনিংনা অৱাংবদা লৈবা চীং
থোইয়ম লাইওইবা নঙনা লৈবা লমদম্ ।

লোইরবা

অইবগী কোংথরবা লাইরিকশিং—

১। থিবেল লায়রাং
২। থিরেন মৈরম লীবা